মণিপুরগী নিংথৌকোন

অমসুং

চৎন-লোনচৎ



বীমাবতী থিযাম ওংবী

MAI

মণিপুরগী নিংথৌকোন


অমসুং

চৎন-লোনচৎ

বীমাবতী থিয়াম ওংবী



সাথৌলুপ পব্লিকেসন্স



MANIPURGI NINGTHOUKON AMASUNG CHATNA LONCHAT

(Royal Traditions of Manipuri Palace)

by Bimabati Thiyam Ongbi

অহানবা এদিসন ঃ ১৯৯৬ (সি আই আই এলদগী শেলগী মতেং লৌবগা ফোঙখিবা)

অনাশুবা এদিসন ঃ ২০০৮ (শেমদোক্লবা খুৎনম অসি সাথৌলুপ পব্লিকেসন্সনা অমুক পুথোকপা)

মখুম ঃ **অমবজিৎ তোংব্রম**

হক ঃ **বীমাবতী থিয়াম ওংবী**
সগোলবন্দ লুক্রাম লৈবক, ইম্ফাল

ফংফম ঃ **বাজেস বুক স্তোর**
গবর্নব বোদ, ইম্ফাল

নম্ফম ঃ **পদ্মা প্রিন্টর্স**, পাওনা বাজাব, ইম্ফাল

ৱাহৈ খরদং

অহানবা এদিসন পুথোকখিবদু ঙবাংতা ওইববোই নীংখি। ফনা য়াম্না কুইবল্লে। সেন্ট্রেল ইন্সতিত্যুট ওফ ইন্দিয়ান লেঙ্গুয়েজেসতগী শেলগী মতেং লৌবগা অহানবা এদিসন অসি ১৯৯৬ তা পুথোকখিবনি। ঐনা ১৯৮৭-৮৮ দা মণিপুব যুনিভর্সিটিদা এম ফিল তম্লিঙৈ মতমদা মণিপুব কোনুংগী পুক্সি অমসুং মসিগী মনুংগী ওইবা চৎনবী ব্যবহাব কযাগী মতাংদা থিজিন্দুনা দিজর্টেসন অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা মণিপুবী দিপার্টমেন্টকী লৈখিদ্রবা প্রোঃ আই আব বাবু সিংহনা লমজিং লমতাকপীখিবা ওজাবু কাউবা ঙমজদে। লাইবিক অসিমক্কী অহানবা এদিসন অসিমক ওজানা অথোইবা অতিথি ওইবীদুনা ফোঙদোকপীবম্বনি। লোযননা পুথোকর্চববা অনীশুবা এদিসন অসি লৈখিদ্রবা ওজা আই আব বাবুগী মফমদা কৎথোকচবি।

ঐনা থিজিল্লুবদগী খঙলকপা খবসি ইথোক্তুনা লাইবিক ওইনা পুথোক্লবা মতুংদা অপাবর্শিংগী মবক্তগী তোঙান তোঙানবা মোত কযা পীবিবকখি। লাইবিক অসিবু নুংশবীদুনা অনীশুবা এদিসন পুথোকপা ঙমহনবীবা অসিগীদমক্তসু অপাবর্শিংগী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎচবি। লাইবিক অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা পুক্নিং থৌগৎপীখিবা পুম্নমক্কী মফমদসু থম্মোয শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচবি।

বীমাবতী

মণিপুরগী নিংথৌকোন অমসুং চৎন-লোনচৎ

নিংথৌকোন অমসুং মসিগা মরী লৈনবশিং

মালেমদা লৌবিবা লৈবাক অযাম্বা মমাংঙৈগী মতমদা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইবর্ম্মী। লৈবাক লৈবাক্কুগী নিংথৌনা মনিং তম্না মাগী মাগী লৈবাকপু ঙাকশেন্দুনা চাউখৎননবা হোৎনবম্মী। অসিগুম্বা নিংথৌ পানবগী চৎনবী অসি চহী লিশাং শিংনা লাকখিবগী ৱাবী কয়া তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী ইতিহাসতা মযেক লানা ইদুনা লৈনবি। মতৌ অসিগুম্না ইদুনা থম্নবম্লিবা ইতিহাসকী লমাযশিংদগী লম লম অদুগী নিংথৌকোনগী চৎনবী অমদি মসিগা মবী লৈনবা ৱাফম কয়া খঙবা ঙম্মী। তোঙান তোঙানবা নিংথৌশিংগী তোঙান তোঙানবা ৱাবা কয়া হৌজিক্কী মীবোলনা ৱাবীনবসু যাওবি। নিংথৌকোনদা চৎনবম্বা চৎন-লোনচৎ কয়াগী মাম হৌজক ফাওবা মু শুনা লৈবসু যাওবি। মীবোল মথং মথং লাকপনা ৱাবী ওইনা লৈহৌবনা নিংথৌকোনগী ৱাবীসু লৈবি।

নিংথৌ পানবগী চৎনবী অসি মমাংঙৈদগী হৌনা মণিপুবদসু লৈবকখি। মণিপুবগী ইতিহাসতা মথং মনাও নাইনা পাল্লকপা নিংথৌশিংগী মমিং অমসুং মখোযনা তৌবম্বা থবকশিং লোযননা মথং মথং লাকখিবা নিংথৌকোনগী চৎনবী কয়া মযেক লানা ইদুনা লৈবি। অদুবু মণিপুননা ভাবত্তা পুনশ্নবা মতুং মীযাম্না মীখল তৌদুনা মীযামগী মীহুৎ খঞ্জবগা লৈবাক ঙাকপগী চৎনবী অসি হেক লাকখিবদগীদি মণিপুবদা নিংথৌ পানবগী চৎনবী লৈখিদ্রে। মমাংঙৈগা

নিংথৌ পানবগী চৎনবী মুখৎশ্রে।

নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদদি লমদম অসিদা যেক শলাইগী মতুং ইন্না লৈবাক মচা মচা কযামুক থোক্লা খাযদোক্লুনা মতম ফনা শাংনা নিংথৌ অমমম পান্দুনা মশা মশা যাম্না নিংতম্বা নিংথৌ অমমম ওইনা পান্নবকখি। অসিগুম্বা লৈবাক মচা মচাশিংদা নিংথৌ পান্দুনা লৈবিবসিদা মখোযগী তোঙান তোঙানবা য়াযেল থৌদা অমদি চৎন পথাপ কয়া লৈবম্মী। অদুগা অমুকসু লৈবাক মচা মচাশিং অসি খুৎকন পাঙ্গনবা লৈবাক্লা মখোযগী মখা পোলহন্নবা যাম্না তোইনা লান তাবম্মী। লোযননা অকনবা লান কযাসু শোক্লখি। মতমগী মতুং ইন্না লৈবাক মচাশিং অসি কংলৈগী মখাদা পুন্না লৈবর্কখি। মসিনা মবম ওইদুনা মণিপুবদা কবম্বা মতমদগী হৌনা নিংথৌশিং অমসুং মবী মতা লৈবা হৌখিবগে হাযবসি কংলৈদগী লৌখৎপা য়াই। "চৈথাবোল কুম্বাবা" হাযবসি লমদম অসিদা পানখিবা নিংথৌশিংগী মথং মনাওগী মবমদা অমসুং মখোযনা পানখিবা মতমদা কাব থৌদোক থোকখিবগে হাযবগী মবমদা যাম্না নিংথিনা ইশিনবা লাইবিক অমনি। লাইবিক অসিগী অহৌবদা অসুনা ইবি—

কলিগী কুমশিং ৫১৩৫ শুবদা মৈদিংঙু পাখংবনা
নিংথৌ ওইএ। লাইস্না পান্নদুনা অহিং মী ওই
নুংথিল লাই য়োইদুনা মতম কুইনা লৈবক্লবদা
নোংমগী অহিংদা লাইস্নানা হাইবকই। নুংথিল নুংথিল
নঙনা লাই ওই হাযবিবসিবু কনাগুম্না নুপী মকম্বী
লৈবামালে ঐসুং লাই ওইবগে হাযববদা পাখংবনা নংদি
পোইবৈতোন্না খুনথোকলকপদা লাকপনি মী ওইবদি যাই
লাই ওইবদি য়াদে। ঐদি কোবৌ নোংমদোন্দগী কুম্লকপনিনা
মী ওইবসুং যাই লাই ওইবসুং য়াই হাযনা খুমখিএ।
পাখংবনা নিংথৌ ওইবা চহি ৪৫ শুবক্লবদা শকাব্দ অমা
হৌএ। মৈদিংঙু পাখংবনা চহি ১২০ পাল্লমএ। [১]

"চৈথোবোল কুম্বাবা" দা পীবিবা য়াফম অসিগা মান্ননা নিংথৌশংগী মতিক মথৌনা অমসুং মখোযগী লৈমা ওইবী মহাবাণীশিংগী মবম যাওনা ইবম্বা "নিংথৌবোল লম্বুবা" কৌবা লাইবিক্তসু নোংদা লাইবেল পাখংবদগী হৌনা নিংথৌ পানবা হৌই হাযনা ই। মথং মথং ওইনা নোংদা লাইবেন পাখংবগী মতুংদা মৈদিংঙু খুইযোই তোম্পোক্লা (১৫৪-২৬৩) নিংথৌ

১। *লাইবেনমযুমন ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, (সম্পাদন) "চৈথারোল কুম্বাবা", ইম্ফাল, ১৯৬৭, লাঃ ১*

ওইখি। নিংথৌ অসি কনাগী মচানো হাযবগী মতাংদা "নিংথৌবোল লম্বুবা" দা মখাগী অসুম্না ইবি–

নযোন মৈতৈ লৈমা লাইস্না হৈবোং নিংথৌ চনু হৈবোং
লোংলিবনা পোকপি লৈচিক চিক্লিবনা পোকপী লৈচিক
চীক্লিবা লৈথম থমলিবনা যেনবি পোইবৈ মনুং ওইদবিগৈ
তৌবাং খাংপক শা চানা ইথৌননা পোইবৈ হান্না মনুং ওইবকপী
মৈতৈ লৈমা লাইস্নাও তৌনা কৌএ। লাইস্না লিনকোইগী
নযু মৈদিংঙু খুইযোই তোমপোকও তৌনা কৌএ।[২]

মৈদিংঙু খুইযোই তোমপোকনা নোংবাললোন নোংমাইনু অহোংবী পান্নদুনা মৈদিংঙু তাউথিংমাং (২৬৩ ৩৬৩) পোকই। তাউথিংমাংনা মৈতৈ লৈমা হাওনুসু পান্নদুনা খুই নিংঙোনবা পোকই। মৈদিংঙু খুই নিংঙোনবনা (৩৬৩ ৩৭৮) মৈতৈ লৈমা হাউনুহল পান্নদুনা পেংশিবা পোকই। মৈদিংঙু পেংশিবনা (৩৭৯ ৩৯৩) মৈতৈ লৈমা লাইতোংসু পান্নদুনা মৈদিংঙু কাওখংবা পোকই। অসুম্না নিংথৌশিং অসিনা শিববা তুংদা মাগী মাগী মচানপাশিং অদুনা মপাগী মহুৎ শিলহৌদুনা লৈবাক্কী মপু ওইহৌই। মচানিপা অহল ওইনা ফংজবা নিংথৌগী লৈমশিংদি কোনুং মনুংগী মীওইদগী অমসুং প্রজা মীযামদগী ইকায খুম্নবা ফংই অমসুং কিনা লুনা নিংনে। মহাবাণীমক ওইববসু মচানিপা পোক্লবদি কোনুংদা লৈতানা লৈবা ঙমদে। নিংথৌগী লৈমশিংনা নিংথৌ পোকপী মিংথোলবু খোয়দাবা ঙার্কোন। নিংথৌগা মচা নিঙোলশিং অসি শাগৈ-জাৎ ফবগী মচাশিং য়েংদুনা থাজে। মসিনা নিংথৌগা মবী মতা চাউথোক্লবগী মবম ওইবকখি। নিংথৌশিংসু শাগৈ অমগী নিঙোলবু নিংথৌগী ঈদা তিলহনবদগী ঙাই শেল ওইবকখি। অসুম তৌনা মণিপুবদা নিংথৌশিং অমদি মখোয়গী মবী মতা শন্দোকপা হৌবকখি।

ফম্বাল তোংবা

নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইবা মবম্না মতম পুম্নমক্তা লৈবাক নিংথৌগী ফমফমলাংদি হাঙনা খক থমনবমদে। লৈবাক্কী মপী মপা শক্লিবা নিংথৌনা শিখিবা তাববদি শিবিবা হকচাং অদু হৌনবী মথৌ মঙম পাঙথোক্লিগৈগী মমাংদা হাঙলিবা ফম্বাল হান্না মেনশিনগনি। মপাগী মহুৎ অসি মচানিপা অহলনা শিনগদবনিদি হাযনৈ। অদুমক ওইববসু মচানিপা অহলনি হাযদুনসু শোইনাইবা মীওইনা নিংথৌ ফম্বাল তোংবা যাবমদে। ব্রাফম অসি "নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা"

২। ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ (সম্পাদন), "নিংথৌবোল লম্বুবা", ইম্ফাল, ১৯৬৭, লাঃ ৪

কৌবা লাইবিক্তা উবা কোনথৌবনা শিববা তুংদা মচানিপা অহল নাউহন, যোইচাবোন, নিংথৌ লাংঙা অহুম্মকপু শোইনাই হায়দুনা লুৱাং নিংথৌ পুনশিবগী মবমদা শাইদাংদুনা লৈবিবা নাউথিংখোংবু কৌকচো হায়না মৈতৈ লৈমা খাববোন নোংজেংসুনা মনাইশিংদা পাউশিখি –

ইদাইবেম পোইবৈ খুনফাংথৌ তযম নাইবংথৌশিংও!
লাইবেম ইশাবিদি কোবৌ নোংগাবে, তুবী ফমমোই-
মিংতি হাঙফবোই ফলাংমৈদি তিংফবোইএ লাইবেন
ইপাবি সনা খেমমাহন্না মচি যোইনাউহন অহনববু
ফম্মোইমিংতা ফমহনসে হাযবসু চেংলৌ মঙম
শোযএ ফল্লাংমৈবু তোংফবোইএ। ইপাবি যোইচাবোন
অৱাং লাংচা লৌপুংফৈ তোংবসুঙ শমু পাংশোই নীকএ।
ফম্মোইমিংতা ফমফবোই। পাবি সনা খোম্মদোন
নিংথৌ লাংঙা ফম্বাল চুম্বা লানলোই চীংঙা লৌখোং
তোংবসুঙ পাযমা মপুক কংএ। মাসুঙ ফম্মোইমিংতা
ফমফবোই। . পাবি লংমাই চেনলৈ যাঙবা নোংযায
লাংগোন শোযদবা নুংবান নাউযোকফববু লৈবনে। পাবি
হোঙনেমযোয খুঞ্জাউবু থুনা পাউকৌকও। ফম্মোই-
মিংতি মানা ফমঙেনে, ফলাংমৈদি মানা তোংঙেনে হাযনা
পাওমেল্লবদা মদাইবেম পোইবৈ খুনফাংথৌ তযম নাইবংথৌশিংনা
মৈদিংঙু মদাইবেম মচেঙ কাইবৈ যেনহোইবোয অনং
ফিহাযবোযশিংবু থৌশীখিযে।

নিংথৌ ওইবে হাযনা লাউথোকপা, লৈবাক মীযাম্না খঙনবা ঙাক্তনা ফম্বাল মেন তোংবা কৌনবমদে। নিংথৌনা সনা সিংহাসন কাবব্ ফম্বাল তোংবা হাযনা খঙনৈ। মৈতৈ নিংথৌশিংনা মাগী মাগী খুদোংচাবা মফম যেংদুনা কোনুং শেম্নবল্লবসু কদাইরাযদা ফম্বাল তোংগনি হাযবগী মতাংদা "মৈতৈ নিংথৌনা ফম্বাল তোংবা" হাযবদুদা মখাগী অসুমনা ইবি –

১। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, (সম্পাদন), "নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা" ইম্ফাল, ১৯৬৭, লা' ৬৯ ৭১

ফম্বাল তোংবা তাববদি কোনুংলেন কংলাদদা মেন
তোংই। কংলা সুকুংবু মেন অমদি ফম্বাল কৌই।
... অদুনা কংলা মেন তোংবা হাযবগা ফম্বাল
তোংববু খঙনৈ। [১]

নিংথৌনা ফম্বাল তোংবা তাববদি নোংমদা ফম্বাল তোংবগী থৌবম পাঙথোকপা যাদে। অকুপ্পা থৌবম যাম্না যাওই। ফিজোল তোঙাল্লি। হাযবিবশিং অসি মখাদা পীবি—

মৈতৈ নিংথৌনা ফম্বাল তোংলমদাইদা নোংম-নিনিগী মমাঙদা
মনাইশিংনা নিংথৌদা ফম্বাল তোংবদা শীজিন্ননবা শুগুদগী
ঈশিং শোকপা চৎলি, মসিবু শুগু ঈৱানবা কৌই। শুগুদা
ফম্বালগী ঈৱানবা মফমদি শঙ্গাইমাঙ ঈবেন হাযবা অদুদগীনি।
ঈবানবা হাযবদি ঈশিং শোকপবু খঙনৈ।

ইবম তবেংগী ঈৱানবদি ১। থাখোং, ২। লাইখোং, ৩। মবোংখোং, ৪। লঙ্গানগী পুন্সিখোং, ৫। নুংজেং, ৬। তাকনা অমসুং ৭। মন্ত্রী পুন্সনগা পম্ব্রী থাসদগী ঈশিং শোক্লে। হাযবিবা ঈবম তবেংতগী ঈবানবদা চঙবা পোংথাওদি কোনযাই পু তবেং, চক্কু তবেং, ফিচুম তবেং, লফোয লাফাং তবেং, প্রথম অহাও, লাই তবেংতা কংনবা শেল। ঈৱানবা চংলিবা মতৌনা অদুনা ঈশিং শোক্ত্রিংদৈঙদা শোক্কদৌবিবা মফম অদুদা থাগ্গ সনা চুপা কোনযাই হুল্লগা ঈশিং শোকই। ঈশিং শোক্কদৌবিবা মফম অদু কংখিদুনা ঈশিং লবমদ্রবদি মফম অদুদগী লৈবাক মচেৎ অমা পুবল্লগা মপু ঈশিংদা থাদনগা মদুনা শীজিন্নবা যাই। [২]

নিংথৌ মহারাজনা ফম্বাল তোংবদা শেংনবা ফিজেৎ তোঙন্না লৈ। ফিজোল অসি ফনা তুম্বা অতোপ্পা অমনা শেংপা যাদে। ফম্বাল তোংবা তাববদি লাইমিংথৌ লইরেম্বীগী ফিজেৎসু তোঙান্না থোল্লি। মাসিগী মরমদা 'মৈতৈ নিংথৌনা ফম্বাল তোংবা' হাযবা বাকে অসিদা মখাগী অসুম্না ইবি

১ দি কলচরেল যোবন, মণিপুর (পোখবা), "খুত", ৭০ শুবা চেফোঙ, নাং হাওবাম কেলাচন্দ সিংহ, 'মৈতৈ নিংথৌনা ফম্বাল তোংবা' ১৯৮১, লাঃ ১২
২। মহুক্কী পাল্লবা চেফোঙ, লাঃ ১৩ (খুত)

নিংথৌনা ফম্বাল তোংবদা লাইযিংথৌ অমসুং লাইবেম্বগী ফিজোংও মাযমু তোমশোন ফিঙাঙ ফৈজোম অসি লাই যিংথৌগীনি। লাইবেম্বগী ফিশেত্তি ফৈজাবেংখাং (কোক্তা যেৎনবা ফি মখল অমা), যাইবোং ফনেক, শাবোঙ নমথাঙ অসিনি। নিংথৌগী ফিজেত্তি লৈলুথক, চাবিনিঙখম, ফিবেন ফুবিৎ অমদি লোনফি হাইনিঙখম লৈপাক লৈমগী হাযবদি মহাবাণীগী ফিশেত্তি লৈবেম লৈচাউ, কুমশঙ ঙকথোম খুতোন খুতাং শমহুক তুংথাং অমদি ফৈচুবেখাং, ফুবিৎ-শা চোনবা, ফিবেন কানক থাবেন ফনেক, শাবোং নমথাঙ খোঙলী খাঙফম অসি শেৎলি। ... নিংথৌনা যম্বাল তোংবগী ফি শেৎফম অদুবু লাংশঙ শঙলাংমৈ কৌই।

নিংথৌনা ফম্বাল তোংদ্রিঙৈগী মাংদা কবি কবি তৌগনি হাযবদুসু মথক্কী ব্রাবেং সিদা ঊব

নিংথৌনা ফম্বাল তোংদ্রিঙৈদা তোংগদবা নুমিৎ নকাশিল্লক্রবদা নোংমা নিংথৌনা তম্পাক যুম কুমই অদুগা মাইবনা চুপ শাই। নোংমা অমনা শবাং লৈশাংথেমদা কুমদুনা যাওং ঈল্লি অদুগা থাঙ হাই। স্নাথোঙ মমাঙদা চিনফুগানি হাযবাদ চীন তেংথোক্কনি। যমজাউ শুমাঙদা অবোঙ্গমনা নিংথৌবু ইকগনি, নোংহুমশঙদা অশাংবমনা খোঙ হামগান।

.. ..

মৈতে নিংথৌনা ফম্বাল তোংবদা মনাইশিংনা সনা থৌগল তৌবদি যোযবেনমা মেনখোম যাইখোম পুই, মাইবনা লাইকনথাঙ পুই, চোঙখানবা হঞ্জবনা চোঙখাল্লি, নোংথোনবনা চাকথাঙ ফাল্লি, পুঙ্গনবনা ফম্বাল খাওবুই, ইকবমনা ফিমু খাওন ওন্না মখুত্তা তা অমা পাযদুনা লান লাওই। পুঙ্গ্রাইজমনা ফিমু খাওন ওন্না

১। লাঃ ১৪ (খণ্ড)

যোংকী চৈশু অমা পাযদুনা লান হৌই। লৌবেম্মমনা লৈ কৎলি, যেন্দ্রেনহনবনা মৈবুন ফাম্লি। লৈযেংবমনা ফিদা অমা লীক লাই পবেং অমগা শিঙখায হূম্লি। শিঙখাম্না শীঙ খায, তোযবিজমনা থবাউচি খোংদুনা কাসা পাউতাকই। থবাউচি হাযবসি কোবিনা শাবা শিঙ্গা মওং মানবা চীন্না খোংনবা যন্ত্র অমনি। মসি চাউবাক্লা খুবোম অমবোম শাংই। অশৈবনা লৈমা নিংথৌ অনিগী ফম্বাল মিংহূল কৎলি। নিংথৌনা ফম্বাল তোংগদবগী সনাগী কৈবাক কাখৎলকপদা খোঙাম অমনা পাখংবা লাংযেনশৈ শক্লগা ফমদৌশিংনা খুশ্মী।`

মখাদা "পাখংবা লাংযেনশৈ" গী শকক থবা শীবি-

গুক থৌজাল মাযোকনা
থমোই লাইদা কৎর্নাদি
খুকমগেসে।
সঙা লেংনা তিনবশা
পৃক্লিং শেল্লোং নিক্না
তাবিঙ সে।
অহন শুক লাইওইবা
তুবী লাইবেন শৈদুবু
শকলকরেসে।
তুবী পাফল নুংদগী
লাইবেন তাউবোই 'দবু
থোক্লক লেসে।
চীবেন লাংযেন তবেৎমা
মৈবা তন্দু ওইনদি
ঙাল্লকলে সে।

১। লাঃ ১৪ ১৫ (খণ্ড)

সনা ফম্বাল লৈওংনা
চেংলৌ মিৎপু লংবদি
কবিনো সে।
উনবী চফম নুংদগী
লাইবেন তাউবোইনা'দুনে
হংকুনো সে।
তাউবোইনাইগী চফমদা
সনা ফম্বাল শাৎলকপা
নাংথিবে সে।

•

হমোই থম্বাল [illegible]
থাজা মায ওক্লনদি
হুকমগে [illegible]।
থম্বাল [illegible] অণুম্বা
[illegible] লৈথোক [illegible]
[illegible] সে [illegible]।
ইমা [illegible] শিদ[illegible]
[illegible]
[illegible] সে [illegible]।

[illegible] থৌনা [illegible] পাকবাশং [illegible] পাঙথোক্লবা [illegible], [illegible] [illegible] মদা [illegible] অথৌ [illegible] লাক্লবগী।

লুহোংবা

[illegible] আসনা নিংথৌ লুহোংবা আসগা [illegible] নুপা মথুমদা চৎলগা লুহোংবগী থৌরম [illegible] নুপা [illegible] লুহোংনবমদে। [illegible]পোৎ, হৌজংপোৎ পুবা [illegible] নুপা [illegible] তোংগানি। নুপী [illegible] ক্লাগোক হানগনি। ক্লাগোক অসি সনা [illegible] লৈবাক্কী [illegible] ওঙগদবাদ শাগে

১। নিং থৌ খাংচেম্বা [illegible] (সম্পাদক) [illegible] ইম্ফাল, ১৯৬৬, লাঃ ৬-১২

জাৎ ফবা, অকাই-অতোয যাওদবা ইমুংগী নিঙোল ওইবগা লোযননা মশাদা শোইনাইদবা নুপী ওইগনি। নিঙোল অদু লৈবাক প্রজানা ফজৈ শোন্নবা মীওই ওইগনি। মশক ফজবা নুপী থিবগী মবর্মদি লৈবাক প্রজা পুম্নবু লাকশিনবা ঙম্নবগীদমক্তি। মহাবাণী হাপ্লবা মতুংদা ফম্বালদি কোন্না তোংগনি।

নিংথৌ ওইবা তাববদি বাণী মঙা লৈগনি। মঙা অসি লৈতবা য়াবমদে। বাণী মঙা অসিগী তোঙান তোঙানবা মিংথোল লৈ। অহানবা মকোক ইথং থংবী লৈমবু লৈবাক্কী মমা ওইবী, লাইগী পাংখক ওইবীনি হায়দুনা 'লৈমবেনবী' অমসুং 'মহাবাণী' কৌই। নিংথৌনা সনাগী কৈবাক কাদুনা ফম্বাল মেন তোংমিন্নবী বাণীনা 'লৈমবেনবী' ওইগনি। অনিশুবনা অপাম্বী অহল, মথংবুনা অপাম্বী নহা কৌই। মবিশুবা লৈমবুনা লৈমখুবী অহল অমসুং ইতোন তোনবী মঙাশুবী লৈমবুনা লৈমখুবী নহা কৌই। মখোযশিদসু নত্তনা নিংথৌগী লৈমদি মশীং যাম্না লৈবম্মী। মখোয়শিং অদু মমা মপানা নিংথৌদা কৎলবা য়াওই। নিংথৌনা কোযথোকপা চৎপদা মীৎনা যেংলম্বতদসু নিংথৌদা কৎনে। নিংথৌনা খোযদাজনা লৌকবসু যাওই, নিংথৌ পোকপী মমানা খোযদানা লৌকবসু যাওই। যুমলোন্নবা লৈবাকশিংনা ঙাই শেন ওইনবা পাম্বদগী মচা নিঙোলবু নিংথৌদা কৎলবসু যাওই। 'শঙ্গাই-ফম্মাং' গী মতুংইন্না ভাগ্যচন্দ্র মহাবাজগী বাণী মফিফুতবামধি লৈবম্মী। [১]

নিংথৌগী লৈমা অসি মশিং যাম্না লৈজববস্ নুপীশিংদুগী মনাক্তা নিংথৌনা চৎপা অসি লৈবাক্কী চৎনবী ওইবমদে। লৈমশিংনা নিংথৌগী শঙ্গাই অচৌবদা লাক্লগা থৌগল তৌনবম্মী। মহাবাণীগী শঙ্গাই নত্তনা নিংথৌগী ফমুং থাবা যাদে। শোয়ববদি ৱায়েন চৈবাক ফংই। থৌগন অসিবু 'লোযন শিল্লোন' কৌবা লাইবিক্তা মখাগী অসুম্না ইবি—

নিংথৌগী লৈমা অথোইবীদি কাংথোন থাইযে। অপানবী-
নচিংবা তু অযাম্বদি আহিং খল্লবসুং ফিযোম পুশিল্লে।
নোংঙাল্লগ পুথোকযে। থাগী লৈ শাৎলর্বদি ফি শেংবা
নুমিত্তা নিংথৌদা লৈ কৎলে। অপানবীদি অহিং খনবসুং
ৱাবৌদে। থৌখন অসি ওন্ননা খল্লর্বদি নিংথৌবু মপোৎ
মচৈ মত্তুনা চাইযে। লাল্লবী নুপীদি চৈবাক ফংযে।
শিঙগাযপাক্লা য়ৈযে। অসিবু তৌববদি লাইনা যাদে
লৈবাক ৱাথোকযে। [২]

১। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, শঙ্গাই ফম্মাং (ফোঙদ্রিবা)
২। ও ভোগেশ্বর সিংহ (সম্পাদন), "লোযন শিল্লোন" ইম্ফাল, ১৯৭৬ লা° ১১

লৈমশিংনা নিংথৌগী থৌগল অসি কায়বা তারবদি দণ্ডি ফংই। ব্রায়েন বিচার অমসুং দণ্ডি অসি কনানা তৌরম্বগে অমসুং পীবম্বগে হায়বদা--

মাখোং হঞ্জবী, হিরুশঙ হঞ্জবী, লৈখোমশং হঞ্জবী, য়েন্দ্রেনহনবী, কৈক্রন হনবী, ফিকহনবী, ফৌকংহনবী, ঙারুংহনবী, থুমজাউ-রুংবী মাপনমা অসিনা ব্রায়েন তৌএ। লাল্লবদি শন-নাই য়োন্না চাএ। [১]

চৈরাক কিবনা লৈমশিংনা কায়দনা নিংথৌগী থৌগল তৌরম্মী। নিংথৌনা খোয়দাবা লৈমবু মনাই থাদুনা কৌহল্লি। ব্রায়েন তৌনবা লৈবসিনা নিংথৌ অমসুং লৈমশিংনা লম হেনবা ঙম্নবমদে। অঙম্বী মাপনশিগী মনুংদা লৈখোমশঙ হঞ্জবীদি মহারাণীগী মমা মন্দোন্না ওইগনি। অতৈসু কোনুংগী অহল ওইবম্বা ফম্নাইবশিংগী নুপীশিংনি।

১। *এন. খেলচন্দ্র সিংহ, 'মশিন' (ফোঙাদ্রিবা)*

নিংথৌ মহারাণীগী নোংমগী পুন্সি

নিংথৌকোন্দা লৈবা হাযবসিগীসু তোপ তোপ্পা শক্তম কযা লৈ। নোংমগী ওইবা তঙাইফদবা থৌদাং কযা লৈ। অদুনা নিংথৌ অমসুং মহারাণীগী পুন্সিদা নোংমগী ওইনা তৌদবা যাদবা খবা লৈ। নিংথৌনা অযুক ফম্মুংদগী হৌগৎলমদাইদা পেনা খোংবা অশৈবনা যাকাযবোল শক্তুনা হৌদোক্লবা মতুংদা নিংথৌ মহারাণী লেংখৎলক্কনি। হাওমচা নিংথৌ শেনবনা নিংথৌগী চিন শেংবা, মায় তাবা, মনুং অচৌবা অমসুং মনুং মচা চংবগী থৌগল তৌগনি। মহারাণীগীসু তৌগনি।

নিংথৌনা মথন্তা কৈদৌঙৈদসু লুক হাদে। নিংথৌগী লুক হাবগী থৌগল নোংমগী ওইনা নিংথৌনা অপান্বা মীওই অহুম মবি খল্লি। মীওইশিং অদুগী মপা-মপুগী হৌবকফম যেংই। নিংথৌগা পূন্না লুক হামিন্নবা হাযবসি লুকফম অমত্তদা চামিন্নবা নত্তে। নিংথৌগাদি বাজভোগ হায়দুনা তোঙান্না শেম্মী। নিংথৌগা চামিন্নবা হাযবসি নিংথৌনা লুক হাবিবা কা অদুদা নোংমগী থৌগল ওইনা লুক হামিন্নবিবা মীশিং অদুগী তোঙানবা লুকফম শেম্লগা নিংথৌগী মনাক্তা চার্বান। নিংথৌগী লুক হৌগদৌবিবা মীওই অদু অমনা হেক্তা ওইবা যাদে। থোং থাক্লদৌবিবা মীওই অদু শোইনাইববা যেংই। অসিদসু নত্তনা মখোযগী মপা মপুশিং অদুগী হৌবকফম যেংই

অমসুং পুন্সিগী অশোয অঙাম যেংই।[১]

নিংথৌনা লৈবাক্কী অঙম-অথৌ ফম্লাইবর্শিংগা নুমিৎ খুদিংগী উন্নদুনা দববাব ফমদে। নিংথৌনা ফম্লাইবা অঙম্বশিংগা কবম্না মতমদা দববাব ফমগদগে হায়বগী মতাংদা 'ফমলোন' কৌবা লাইবিক্তা মখাগী অসুম্না ইবি -

নুমিৎ কুপ্লিমবক থা অমগী মবক্তা অঙম্বগা নিংথৌগা দববাব তৌগদবনে।[২]

নিংথৌ হায়বসি লৈবাক্কুদা লৈবিবা প্রজা মীয়ামগী মপী মপা শক্লিবনি। মহাক্কী মতৌবু মচা শক্লবা প্রজা মীয়াম্না তম্নগদৌবিবনি। মহাক্কী থৌবম থৌবাংগী মখাদা লৈবাক্তা ইংনা শান্তি লৈনা পুক্রিং লৈতানা লৈবা ঙমগদৌরিবনি। মবম অদুনা লমচৎ ফজবা তাই। প্রজা মীয়াম্মু অমগা অমগা নুংশি চান্না লৈহন্নবা হোৎনবা তাই অমসুং নিংথৌবু কিনা লুনা চৎহন্দবসু য়াদে। সাধাবণ পুন্সি হায়বদি মীচম প্রজাগী পুন্সিদগীদি খবা তোপ্পা থাক ৱাংনা লৈ। মবম অদুনা নিংথৌগীদি মীচম প্রজাগা মান্নদবা মথৌদাং লৈ। মসিবু "লোযযন্বা শিনযেন" দা মখাগী অসুম্না ইবি-

নিংথৌদি পঙনা থোকফবোইএ, ৱাসু পঙ্গন হায়ফবোইএ,
ৱাখল খন্না হায়গনি, নিংথৌনা হায়থোকলকপা ৱা অদুবু
লৈনাক অঙম্বন তৌখৎতুনা মাখং লোন্নানা ৱোক্নি।
ৱা অফবা ওইববদি লৌগান, ফত্তবা ৱোযববদি, পংনা
যাফাবোই, নিংথৌনা ৱাহায যাথং হায়গদবদি থা অমদা
অমবক আনলকতা হায়গনি, নিংথৌনা কৌদান দি লৈপাক্কি
ফমথৌ অঙম-অথৌ পুম্নমানা পংনা চংফবোই খঙও,
কৌশিল্লবগা চংগদবনে।[৩]

নিংথৌনা হওও কুম্মৈ অমা যেংবা তাববা নৎ ত্রগা কোনুংগী মপান্দা লেংথোকপা তাববদি হযেং থোক্লক্কনি হায়বগা ঙসিগুম্বদা পাউ চেনথোক্কনি। মতাং অসিবু মথক্কী লাইবিক অসিদা ইবি –

নিংথৌনা কাংচৈ শান্নবা কবি কাব তৌবা ৱোযববাসুং
হযেংদি নিংথৌ থোক্কনি হায়ববদি যোইবু যোইহৈ

১। *যেংখোম ওংগা সিংহগা উন্নদুনা ৱাখী শাজকবদগী ফংলকপা, অযুক তাং ২৩/৬/৮৭ ইং যাইস্কুল*
২। *নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পাদন), 'ফমলোন', মণিপুরী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৭, লাঃ ৮*
৩। *খুলেম চন্দ্রশেখব, (সম্পাদন), "লোযযম্বা শিনযেন", ১৯৭৫, লাঃ ২৯*

নিংথেম নুপিনা লাকতোন্দা ফৈদা সংকাই সেলবাদা
হায়থোক্কনি, য়াইরেক সংনা সংগানবা থৈবিক্তা নংকি
নংকি থৌখল শোয়ফরোই হায়দনা চেনথোক্কনি।[১]

নিংথৌনা লেংথোক্লকপা মতমদা কোনুংগী থোঙশিংদা থৌগলনাইশিংনা থৌগলগীদমক ঙাইদুনা লৈরমগনি। নিংথৌনা লম লেংথোকপদা করম করম্বা মফমদা কনানা থৌগন তৌবগে হায়বদু 'মশিন' লাইরিক্তা ইরি—

শঙ্গাই মনুংগী থৌগন- শঙ্গাই য়িমজাউ অনীমক্তা
মনুংদা খনবদি য়োয়বু য়োইহৈ নিংথেম নুপীনা
খল্লে। অসিদি লাইগী থোঙনে লাইলুপ কৌএ।
লাকতোন্দা ঙাইগদবা থৌগন-লাকতোন্দা
শঙ্গাই শেনবগা নুং ফৈতাকনা ঙাইএ।
লাকখোংদা ঙাইগদবা থৌগন-লাকখোংদা লৈমশেনবা,
নিংথৌ শেনবা, তুলাইলোয়, তুলাইপাবা, চোঙখানবা
য়িনখানবা তৌতি, পেনা খোংবা- মখোয় অসি থৈবিক্লা
ঙাইনয়ে। থোঙ অহুম্না অসিদি তীনখুন লাইখুন তীনথোঙ অহুম্মানে।
থোঙসাংদা হাইগদবা থৌগন-খোঙসাংদা চুঙ ফীরান
পুং পেবে শিংকা লাক্লা শগোল শামুনচিংবা থৌগন পুম্নমক্লা
ঙাইএ।
নিংথৌনা দোলাই তোংলবদা তৌগদবা থৌগন-দোলাই
তোংলবদা দোলাই ফোনশিন মরিমক্তা তুলাইপাবনা খল্লে।
তুং চিথেক মরিমক্তা শেলুংবনা খল্লে। শগোল তোংলবদা
তৌগদবা থৌগন-শগোল তোংলবদা মাং তুং অনীমক্তা
শারুংবনা খল্লে।
শামু তোংলবদা তৌগদবা থৌগন-শামু তোংলবদা
মাঙ তুং অনীমক্তা শামু শেনবনা খল্লে।[২]

১। খুমেম চন্দ্রশেখর, (সম্পাদন), "লোয়য়ম্বা শিনয়েন", ১৯৭৫. মে, লাঃ ২৯
২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, "মশিন" (খুৎই ওইনা লৈবা)

নিংথৌনা লেংথোকপা নৎত্রগা দববাবদা ফল্লবসু মনাক্তা শেনাক খনবা লোযনগনি। মহাক্লা নিংথৌগী শুমাং নানথোক্লবা, চিন-নুং তৈথোক্লবা খুদৈশেল ক্বাশেন পুগনি। পে খনবা অনি, থাং পাযবা অনি, নোংমৈ পাযবা অনিনা নিংথৌগী থৌগল চংগনি। অদুগা নিংথৌগী ওই ওইননা শেনাক খনবা চংকনি। শেনাক খনবগী ফিজোলদি ফিজম অঙৌবা শেৎলি, কোয়েৎ য়েৎলি, কনা কনাগুম্বনা য়েত্তবসু য়াওই। শোইনাইবা মীওইনা শেনাক খনবা য়াদে; য়েক তিন্নবগী মচা মশুনা ওইবসু য়াদে। মীনা নিংথৌদা পোৎ কৎলববদি শেনাক খনবনা হান্না ওক্কনি। অদুগা মহাক্লা নিংথৌদা অমুক কৎকনি। [২]

অসুম্না নিংথৌকোন অমসুং মসিগা মবী লৈনবশিংনা পুন্না শেমগৎলকপা মশক অমনা কোনুংগী পুস্নি অমা শাগৎলকই। কোনুংগী পুস্নিগী ঈচেল মতম মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা কযাসু লাকই। হান্না লৈবম্বা মশক্তগী অসুম অসুম হোংলক্কুনা অনৌ অনৌবা কযাসু পুশিল্লকই।

২। *যেংখোম ভাগ্য সিংহ, যাইস্কুল উন্নদুনা হ্রাবী শান্নজকবদগী ফংলকপা, অয়ুক, তাং ২৩।৬।৮৭ ইং*

কোনুং মনুংগী চৎন-লোনচৎ

কোনুং মনুংগী ওইবা লোনচৎ অসি লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা মান্নদে। মণিপুবগী ওইবা কোনুং মনুংগী তোপ তোপ্লা চৎন-লোনচৎ অমা লৈজে। অদুবু চৎনবী অসি নিংথৌ অমগা নিংথৌ অমগা খজিক খেৎনবসু য়াওদবা নত্তে। মপুং ওইনা য়েংবদদি মণিপুরগী কোনুং মনুংগী ওইবা তোপ তোপ্লা মশক অমা উই হায়বা যাই। কোনুং মনুংগী পুক্সিদা শগোন্নবিবা শক্তম অসি য়াম্মী। কোনুং মনুংগী ওইবা চৎন লোনচৎ অসিদা হকথেংনরিবা নিংথৌ, মহাবাণী, অঙম-অথৌ, ফম্নাইবা কয়াগী অপুনবা মশক্লা নিংথৌকোন অমগী শক্তমসু শাগৎলি।

মণিপুরগুম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা লৈবম্মী হায়বগী ফজবা মশক্তি কোনুং মনুংগী চৎন-লোনচৎনসু ফোঙদোকই। পুকচেল চাউবা, অৱাংবা ফিদমদা হিংবা পাম্বা, হৌন লোনচৎ ফজনা খঙবা, অমগা অমগা অফবা মবী থম্নদুনা হিংমিন্নবা পাম্বা নিংথৌ খবগী ৱারীসু মণিপুরগী ইতিহাসতা লৈরি। নিংথৌগা লৈবাক প্রজাগা লৈনরম্বা অফবা মবীগী মতাংদসু হৌজিক ফাওবা ৱারীনদুনা লৈবা খবা য়াওবি। নিংথৌনা প্রজাশিংদা য়েংবা মীৎয়েং অমসুং প্রজাশিংনা নিংথৌদা থাজবা থমজবা পুম্নমক ইতিহাসকী লামায়শিংদা থেংনবি।

মিঙ্গৌ

কোনুং মনুংদা মিঙ্গৌ হায়বসি য়াম্না মক ওইনা লৌনৈ। প্রজাশিংনা নিংথৌবু তোঙান তোঙানবা মিং কৌনদুনা ইকায খুম্নবগী হৌন লোনচৎ অদু উৎলি। মণিপুরগী প্রজাশিংনা নিংথৌগী মফমদা তোঙান তোঙানবা মিং কৌনদুনা হৌন লোনচৎকী ফজবা মশক অদু মপুং ফানা ফোঙদোকই হায়বসি অৱিবা লাইৱিক কয়াদা তোইনা থেংনৈ। মতমগী য়াওনগী মতুং ইন্না লৈবাক্কী মপু ওইবিবা নিংথৌদা কৌবা মিঙ্গৌসু অহোংবা লাকই। মিংশিং অসি মতমগী য়াওন্না পুবকখিবা ঙাক্তনি। খুদম খবদং পল্লবদা লৈবাক মপু ওইবিবা নিংথৌগী মফমদা 'মৈদিংঙু', 'লাইনিংথৌ', 'লাইযিংথৌ', মহাবাজ' অসিনচিংবা।

কৌনবিবা মিঙ্গৌশিংগী মনুংদা মণিপুরগী প্রজাশিংনা লৈবাক মপু ওইবিবা নিংথৌদা 'মৈদিংঙু' মিঙ্গৌ অসিনা মণিপুরদা নিংথৌ পানবগী চৎনবীনা হেক লৈবকপদগী হৌনা য়াওজদুনা লাক্লবনি। "চৈথাবোল কুম্বাবা" গী মতুং ইন্না নোংদা লাইবেল পাখংবদগী হৌনা মিংগী মমাংদা 'মৈদিংঙু' হায়না হান্না হাপ্লা অসি থেংনৈ। খুদম ওইনা অমা অনীদং পল্লবদা মৈদিংঙু নোংদা লাইবেল পাখংবা, মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোক, মৈদিংঙু তাউথিংমাং। [১]

অতোপ্পা কৌনবা 'লাইয়িংথৌ' হায়বা মিঙ্গৌ অসিদি খাগেম্বা মহাবাজগী মতমদগী হৌখি। মসিগী মতাংদা "চৈথাবোল কুম্বাবা" দা ইবি–

মৈদিংঙু খাগেম্বা লাইযিংথৌ কৌবসু অদুডৈ হৌএ।[২] লোয়ননা নিংথৌ অসিগী হাক্তক্তগীদি প্রজা মীযাম্না নিংথৌবু লাইযিংথৌ হায়না মিঙ্গৌনখিবম্মী।

অহোংবা পাম্বা অওনবা নাইবা হায়বসি মীওইবগী হৌনশানি। অওনবা হায়বসি মণিপুরগী সমাজদসু থুংলখি। অসুম্না লাকখিবা অহোংবা মবক্তা মণিপুরদসু মশাগী হান্না লৈজবম্নবা অমদি চৎনদুনা লাক্লবা ধর্ম্মবু থাদোক্তুনা বামান্দি ধর্ম্মদা লাইমিং লৌখি। লৈবাক্কী মপী মপা ওইবিবা নিংথৌনা ধর্ম্ম অসিদা দিক্ষা লৌখিবগা লোয়ননা নিংথৌবু লমদমসিগী মিং নত্তবা মিঙ্গৌ অমা কৌবা হৌখি। মতাং অসিবুসু "চৈথাবোল কুম্বাবা" দা পল্লি–

"নিংথৌবু মহাবাজ কৌবসুং অদুঙৈ হৌএ।"[৩]

মতম অসি গবিবনিবাজনা পানবা মতমনি। নিংথৌ অসিগী হাক্তক্তা মণিপুরদা স্বায়দগী চাওবা ধর্ম্মগী অওনবা অমা লাকখি। লমদমসিগী মশাগী হান্না লৈজবম্বা চৎনবী, ইনাৎ অমদি লাইনিং লাইশোন পূম্নমক্তা অহোংবগী অকনবা শাফুনা যৈবখি। মসিদগী মণিপুরগী মক মক ওইবা লাইফম তিনফম অমদি চীং-পাৎ তুবেলবু মীবমগী মিং লৌদুনা থোনখি। মতমসিদা লমদমসিগী ইবোন নত্তবা লোন্দা মীবমচাশিং অদুনা নিংথৌবু 'মহাবাজ' হায়না কৌখি।

১। *চৈথাবোল কুম্বাবাগী অহানবা শককশিংদা*

২। *এন খেলচন্দ্র সিংহ অমসুং এল ইবুংঙোহল সিংহ (সম্পাদন), চৈংকুঃ ১৯৬৭ ইম্ফাল লাঃ ২৩*

৩। *মথক্তা পল্লিবা লাইবিক, লাঃ ৭৪*

অসুম্না মীবোন্দা মিং কয়া কৌবা হৌঙ্ৰবসু নিংথৌগী মথক থোংবা অহল লম্মনশিং অমদি কোনুংগী অহল ওইববা ফম্নাইবশিংনদি নিংথৌবু 'নিংথেম' হায়না কৌই।

লৈবাক্কী নিংথৌবু 'মৈদিংঙু', 'লাইনিংথৌ', 'লাইযিংথৌ', 'মহাবাজ' হায়না কৌ৽বম্বগী মবমদি মৈদিংঙু হাযবনা মৈতৈশিংগী মপুনি হাযবগীদমক কৌবম্বনি। ''লাইনিংথৌ'' হাযবনা নিংথৌদি লাইগা পাংখকনি হাযনা ঈশ্বরগী ভাবতা নিংদুনা প্ৰজাশিংনা কৌবনি। নিংথৌদি জীব পুম্নমকপ্ শান্তি পীবা ঙম্ৰনি হাযবদগী লাইযিংথৌ কৌবনি। মহাবাজ হাযবগী অর্থদি 'অচৌবা নিংথৌ', হাযবদি পুম্নমক্কী মকোক ওইবা হাযবনি।[১] অসুম্না প্ৰজাশিংগী থম্মোযদা ফজববা তোঙানবা রাখল্লোন অমমমগা লোইননা নিংথৌবু তোঙান তোঙানবা মিংদা কৌনবম্মী।

নিংথৌগী তালোযবু 'লৈমা' অদুগা লৈমা পুম্নমক্কী মকোক ওইবীবুনা 'লৈমবেনবী', 'মৈতৈ লৈমা', 'মহাবাণী', হাযনা মিংগৌনবম্মী। লৈমা পুম্নমক্কী মকোকনি হাযদুনা 'লৈমবেনবী' কৌই। মৈতৈ পম্নমক্কী মমানি হায়বদগী 'মৈতৈ লৈমা' হাযনা কৌনবম্মী। নিংথৌবু 'মহাবাজ' হাযনা কৌনখিবগা লোযননা লৈমবেনবীবুসু 'মহাবাণী' হাযনা কৌনবকখি। মিংগৌ অসিমকসু লমদমসিগী ওইবা মিং অমদি নত্তে।

নিংথৌ অমসুং লৈমবেন অনিনদি মথক থোংবশিংদা 'ইপ' হাযনা কৌই। মখা থাবা অমসুং মীচম প্ৰজাশিংদদি 'ইঙো' হাযবা মিঙ্গৌশি শাজিন্নে।

মহাবাণী নত্তবা অতৈ নুপীশিং অমসুং কোনুংগী ফম্নাইবী মকোক ওইবী নুপীশিংবুসু তোঙান তোঙাননা মিঙ্গৌনবম্মী। মসিবু 'লোযন শিনলোন' বৌবা লাইবিক্লা হাযবি

ই

নিংথৌগী তুগী মখৈদ ইবেম্মা কৌগনিযে। অমদি নাখাং হঞ্জবী চিকশঙ হঞ্জবী অনিমক্তসু কৌগনি। লোইখোমশঙ হঞ্জবীবু ইবেম্মবেন কৌগনি। নীযাইবীদা পীবকপা উল্লকপী চোংথা যৌথাবিবিদি পোংলোয কৌযে।[২]

নাখাং হঞ্জবী, চিকশঙ হঞ্জবী অমসুং লোইখোমশঙ হঞ্জবী অসিদি পাচা লোযশঙগী ল্লচিংবী ঙাক্তনি। মখোযাসিগী মনুংদা লোযখোমশঙ হঞ্জবী অসিদি মহাবাণীগী মমানা ওই। মমা লৈত্ৰগনা মন্দোন্না ওই। কোনুং মনুংদদি নিংথৌ পোকপ অমসুং মহাবাণা পোকপীবু খ্বায পম্নমক্তগী ইহেন হেন্না লাইবক ফববী অথোইবী নুপানি হাযনা লৌনৈ। মবম অদুনা ইবেম্মা পম্নমক্তগী অহেনবীনি হাযদুনা ''ইবেম্মবেন'' হাযনা মিঙ্গৌই।

১। যেংখোম তাগ্যা সিংহগা উন্নদুনা বাবী শাবদগী ফংলকপা, অযুক, তাং ২৫/৬/৮৭ ইং
২। মখক্কী মা ওইসিদগী ফংলকপা, তাং ২৩/৬/৮৭ ইং
৩। ও ভোগেশ্বর সিংহ (সম্পাদন) 'লোযন শিল্লোন', ১৯৭৬ লাং ১০

নিংথৌনা পোকপা মচাশিংগীসু তোঙান তোঙানবা মিঙ্গৌদা কৌনবম্মী। কৌনিংঙি হাযদুনা পংকৌ কৌশিনবা যাবমদে। নিংথৌগী মচা অমসুং মহাক্কী মিঙ্গৌ অসিগী মতাংদসু "লোযযম্বা শিনযেন" দা ইবি –

মৈতৈ লৈমনা পোকপা সিজা অদুনা খুবাই লৈমা ওইবাপা
খুবাই লৈমা অদুনা পোকপা অঙোম সিজা অদুনা অমবক
মৈতৈ লৈমা ওইবাবা অদুনা পোকপা নিপাদি সনামহি কৌই।
নুপি ওইববদি তম্ফা কৌই। অযাম্বদি কৌফাবোইযে। নিংথৌনা
পোকপা অতৈদি স্না কৌগনি, তম্ফা মবাদি যিপুংঙু কৌগনি।
নিংথৌ মচা অযাম্বা অতৈদি অঙাং কৌগান।

মমাংঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা অঙোম শাগেগা নিংথৌজা শাগেগসি যাম্না নক্লবম্মী। মৈতৈ লৈমা অযাম্বা অঙোম শিজনা ওই। অঙোমদসু নিংথৌজা নিঙোল থাজবম্মী। অসুম্না অঙোমগা নিংথৌজাশিংগা যাম্ন। তোযনা চাবৌ মৌবৌনবম্মী হাযবসি লাইবিকসিদগী খঙবা ঙমই।

কোনুংগী চংনবী লোনচংসি যাম্না কুপ্পী। নিংথৌগী মচাশিং অসি মী অমা থাবগা কৌবা যাবমদ। মখোযবু কৌনবা তোঙান তোঙানবা মীশক খাযবম্মা। নুপাগা নুপীগসু তোঙান্না খাযবম্মা। যুবরাজবু অমদি মহাবাণীগী মচাশিং অমসং অতৈ বাণীগী মচাশিং অদুসু কনানা কৌগনি হাযবা "শংক পান্নবগী মশিন" লাইবিক্তা ইবি

মহাবাণী সনা যাথংনা যুবরাজবু কৌখৎ ও হাযববদি
লৈশেনবনা কৌএ। নিংথৌ সনা যাথংদি নিংথৌ শেনবনা
কৌএ। মহাবাণীনা পোকপা মচা নিপাদি হিদাক ফানবা
নিংথৌ নাইনা কৌগান। নুপীদি লৈমনাইনা কৌগনি।
ইরেম্মাশিং অপানবীনা পোকপা, নিপাগী মখৈদি পোৎশংবা
নিংথৌন ইনা কৌগনি। নুপীদি লৈমনাইনা কৌগনি।

কোনুং মনুংদা কৌনবিবা মিঙ্গৌশিং অসি মীচম প্রজা অমদা হেক্কা কৌবা যাদে নিংথৌগী অকনবা চৈবাক মখাদা লৌবিঙৈদা কনানসু উশিং থৌওইদবদি তৌনবমদে।

১। খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ, (সম্পাদন), "লোযযম্বা শিনযেন", ১৯৭৫ মে, লাঃ ৩০
২। এন খলচন্দ্র সিংহ, 'শংক পান্নবগী মশিন লাইবিক" (খুৎই ওইনা লৈবিবা)

নিংথৌগী মচাদি পোকচবী মমাগী মথাদা লৈবা ফংদে। যোকচবীশিংনা নিংথৌনা অনৌবা মচা পোকপগী মতম ঙাইদুনা লৈ। নিংথৌগী মচা খুদিংগী যোকচবী অমমম লৈ। মখোযনা পোকলকইবা অঙাং অদুগী মমানি, ঙাকপি শেনবীবনি। মরম অদুনা অযাম্বনা যোকচবীদা 'ইমা' মিঙ্গৌই। যোকচবীশিং অসিবু 'সনামপি' হায়না কৌনৈ। সনামপিশিংগী কোনুংদা ফমফম চাউনা লৈ।

য়োকচবী সনামপিদি ফিবাংজি ফিদা অমসুং শেঞ্জেংগী খুজাই ফংই। কোল লীক, বাযবম শেংদে। মহাবাণীগী চুম-শো ফাওবা পাই। নিংথৌগী মজাইবেম্মশিংনা লুহোংবা মতমদা দোলাইগী মাং থানা সনামপিনা চৎকনি। কৈথেল কাবা মতমদা পোৎ পুরগা চৎতে। পৈশা পীদুনা মী নেরুগা পুহল্লি। মসিগী মখুন্দা লাই হবাওবা তাবর্বদ মখোযগী ফিবাংজি ফিদা থাদুনা তোঙান্না ফমফম পী। সনামপিদি ইচম চম্বী নুপী অমগুম্না লৈতে।

থৌগল্লোন

কোনুং মনুংগী ওইবা চৎন লোনচত্তা থৌগল্লোন হাযবাস যাম্না মক ওইব অমনি। কোনুং মনুংগী নাফম ঙাক্তসু নত্তন মফম অমদা হেক্তা থৌগল্লোনগী মফম অসি যাম্না চাংই থৌগল্লোন খঙদবা মাবু হস্তবা ওইনযু খন্নলা যাওই। মণিপুরদা থৌগল্লোন হাযবস যাম্না লুনা খঃবম্মী অমসুং নিংথনা যোক্তুনা থম্নবম্মী।

থৌগল্লোন হাযবসিদা মখল যাম্না লৈখ্রে বাবী শাগনদা, বাঙ্গ শাঙাংদা, মাংদ তংদ মংকদবা তৌগদবা অসিনাচিংবা কয়ামুক লৈ। মণিপুবদদি থক খা, অহল অঙাংগী নাবহাব, হৌনবা হৌনদবা কয়ামুক লৈ। মসিদগী কোনুং মনুংনা অমক হেন্না বৃপ্পী।

কোনুং মনুংদা শীজিন্নবিবা লোনশিং অসি বেঙ উব্লিয় পোঁওগ্র না মণিপুবগী এবমদা ইবন্না গ্রমাবদা খোমজিন্দুনা ইবম্মী-

---

১। এম কে বিনোদিনী দেবী, উন্নদুনা বাবী শান্নকবদগী ফ লকপা

Court Language (Thō gallol)[1]	Common Language (Kawaigi Oiba Lol)
Chai tha bā, to bathe	Iru ja b, to bathe
Le3 ba to go or move	Chat p, to go or move
Le3 khat p to arise	Hō gat p to arise
Thon b, to arise or adorn (clothes, ornaments)	Shetp } Wear to Chin b } adorn
H t to eat	Ch b to eat
Ph n b to drink	Thak p to drink
Mitye3 t b to look	Ye3- b, to look
Ha3 gatp	Hai ja b, to pray
Chin3 Kup p to wash the mouth	Chin te3b } to wash y thin b } the mouth
Kha3jet Dhoti	Phei jom, dhoti
Kok thon hat pugri	Ko yet, Lu hup, hat pugri
Khu d Cushion	Phi d, Cushion
Nam kh 3 Coat or Shawl	Phu rit } Coat or Inna phi } Shawl
Shan gai house palace	Yum house
Khu do3 hookah	Hid kpu hookah
I h to be sick	N b to be sick
Luk rice (cooked)	Ch k rice (cooked)
Shan Khutsu Kolom Pen	Kolom pen
Chep p to sleep to lay down	Hipp } to sleep Iumb } to lay down
Y m bu elder brother	I d, elder brother
Ichem Shija elder sister	Ichem elder sister
Ichal ibemm Younger sister	Ichal Younger sister
For the Raja exclusively	
Sham s Comb	Shamjet Comb
Shak ye3 mi3 shel Mirror looking glass	Mi3 shel looking glass
Sh in cho ron feet	Khoa feet
Shan no yon eye	Mit eye
Shan Khutsu thang Sword	Kab k thang, Sword
Shan Khu net Sha horse elephant	Sagol, horse Sh mu, elephant[1]

1 Rev W Pettigrew Manipuri Mitei Grammar with Illustrative Sentences American Baptist Foreign Mission Society 1912 (pp 45 46)

কোনুংগা নক্নবা অমদি কোনুং মনুংদা থবক তৌদুনা লৈবকপা হৌজিক হৌজিক হিংলিবা অহল ওইববা মীওইশিংনা হায়— থৌগল্লোন হাযবসি কোনুংদগী শন্দোকখিবনি। নিংথৌগী মচাইবেন্মা কযা মীচম প্রজাগী ইমুংদা থাজখি। নিঙোল কযাসু নিংথৌগী লৈমা ওইবখি, মমৌ ওইবখি, নাই ওইবখি। অসুম্না কোনুং মনুংগা মীচম প্রজাগগী মবক্তা মবী লৈনবকপনা থৌগললোনশিং অসি হৌজিক্তি কোনুং মনুংগীতা ওইবক্তে মীয়াম পুম্নমক্কী ওইবে হাযবা যাই।

ৱাহৈ ৱাতা ৱাঙাং শাঙাংদা মক ওইবগুম নিংথৌগী মমাংদা তৌবা হৌনবা হৌনদবা অসিসু যাম্না কুপ্পী। নিংথৌগী মমাংদা কবি থৌগল্লোন ব্যবহাব উৎকদগে হাযবদু 'লোযন শিল্লোন' লাইবিক্তা ইবি—

সনা যাথং ৱা হাযবা হৌববগা সনা য়াথং লৈতনা ৱা
হঙ্গৎফদে। সনা মাঙদা ক্বা, পানা, চাবা, লৈ চিনবা,
নাপ্ল চিক্লা ৱা ঙাঙনবা, লোন্না ৱা হাযনবা যাদে।'

লাইবিকসিদা পীবিবা থৌগল্লোনশিং অসিনা নিংথৌ অমসুং মীচম প্রজা অনিগা মবক্তো লৌবিবা খেন্নবা অদু উই। লৈবাক অমগী নিংথৌ ওইদুনা লৈবাক ঙাক্লবানা খেন্নবা অসি থমদবা যাদে। প্রজা মীযামগী থম্মোযদা নিংথৌ অমদি অঙম অথৌবা লৈবাক ঙাক্লিবনি হাযবগী থাজবা চেৎনা লৈ। অদুবু লৈবাক ঙাক শেল্লিবনি হাযনা ফাল্লনা নিংথৌগী তাংবল অসিবু মিঙৌদবা যাওদবা নত্তে। মবমসিমক্লা অথিংবশিং আসনা নিংথৌগী মথক্তা পোন্না লাল হৈবক্লবা চেৎনশিংদগী ঙাকথোকপা ঙমই।

নিংথৌগা মনাক্তা চংবা অবাযবা থবক ওইবমদে। নিংথৌদা পোৎ কৎলবা নৎত্রগ খুদোলপোৎ পিবমা তাংবদি শেনাক খনবদা পিগনি। শেনাক খনবনা অমুক নিংথৌদা পিগনি। নিংথৌগী খুৎতা হকথেংননা পোৎ পিবা যাবমদে। অদুবু মাগা মতিক মগুণ মান্নবা অমসুং লৈবাক অমগী নিংথৌগা পীনবা মতমদদি হকথেংননা পীনৈ। নিংথৌগা মওং মতৌসু কনা নসু তম্বা যাবমদে। মহাক্লা শেৎপা, চাবা, নোকপা কপ্পা পম্নমক মতৌ তমফদে। মসাদ মীচম পজাদগী হেন্দোকখ্রদনা মহাক্কী মচা মগু অমদি তোইনাবন শঙম অথৌ পঙ্গনসু তমফদে।

নিংথৌগী মমা দা ফি ইনবা মতমদা ফিজিন মনি অদু লেংবান্দা হাইগৎলগা হাযবাদ লেংহুম নাইনা ইনব যাদে। মবমদি ফি মনুংদা থাং অমাদ খুৎনাই পুবাম্ন হাযনা চেকাশনবনি। মবম অদুনা ফিজিন অদু ওইগী লেংবান্দা নাম্মতা হাইগৎকনি অদগা অমকসু ওইগী ফিজিন অদু ওইগী লেংবান্দা অমুক হন্না হাইগৎকনি। শেৎলিবা যৈজোম বুঙা সোযনমক যেপকনি।

১। ও তোম্বশ্বর সহ (সম্পাদন), 'লোযন শিল্লোন' ইম্ফাল, ১৯৭৭ পা ৪৬

নিংথৌগী মমাংদা ফম্না মতমদা খোং নাম্মা লোৎশিল্লগা নিঙগাংনা ফমগনি। কবিগুম্না নিংথৌগী তুংদা নত্রগা মাংদা চংপা মতমদা নিংথৌগী মি তাববদি হন্দোক্লগা চংকনি। নিংথৌগী মি নেংথৈদে।

নিংথৌ অমসুং মহাবাণীগী লোয়নগদবা মীওই অসি অমনা হেক্তা ওইবা য়াদে পিবাগা অমাদি মাগা থংনবা অদুগনা শেনগনি। নিংথৌগী সনা থৌগল তৌনবা মী লৈবগুম মহাবাণীগীসু সনা থৌগল তৌনবা মী লৈ।

মদুদি—

" লৈমা শেনবা, শেল্লুংবা অহল, নাহা পাখংলাকপা, নহালাকপা
অসিনা সনা থৌখন খুৎপাই খুতোং হোংএ। পোবোং লৈখেৎ
যাওএ। লৈমশেনবনা কোকলুনবা যেনশিন চেল্লে।"[১]

কোনুংদা লৈবিবা মহাবাণী অমদি অতৈ লৈমশিং উন্ননিংবা মতমদা উনবা যাদে। লৈমশিংনা লৈবিব শঙ্গাই মনুংদা নিপা চংবা যাদে। চংলবদি চৈবাক ফংই। মবম অদুনা নিংথৌগী লৈমশিংবু মবুং মৌপ্পা মপা মতোনশিংনা উন্নবা তাববাদি ফৈদাদা উন্নগে হায়না হান্না পাউ থাগনি। ফৈদানা কৌথোক্লগা মতুংদা কোনুংদা লৌববা লুকনবী থোংদা উন্নগনি। উন্নবা মতমদা লৈমশিংনা মনংলোমদা লৈনান, অদুগা উন্নবা লাকইবা মীওই অদুনা ফক্লাংগী ব্রাংমদা লৈদুনা উন্নগনি। কোনুংগী লৈমশেনবশিংনা কবি কবি তৌগদগে হায়বদু "মশিন" লাইবিক্তা ইবি

লৈমা শেনবগী থৌখন্দি সনা খুদৈশেন সনা ক্লাশেন,
খুশেৎ খুচাই, সনা খুদেং, তোংচৈ উতোং, শেনথক
শেনখা মৈফু চেকপ ইীদাকখাউ তুপিয়া ফিথা ফিথক,
মোনতুম মোনতেক লুপাগী ফবোই লুপাক মবোই
শুনা খোঙখুম, খুদোন খোঙউপ অবোনবা শেনপোৎ
হাপ্পা শকযেং মিংশেল হৈজ্রাং, কাতি খুজিনথাং সমচেৎ
যেত্তুম অসি খল্লে।

কোনুংগী চৎনবিশিংগী মনুংদা থৌগন শোয়বা যাদে। ঙম্লোইদবা ওইববদি হান্না পাউ হায়গনি। নক্রুবদি থৌগল শোয়বগীদমক চৈবাক ফংই। মহাবাণীনা কোনুংদগী মপান থোক্কুনা অতোপ্পা মফমদা চংপা তাববদি কয় নুপীনা দোলাই পুগনি। কোনজিল যেৎ থংবনা ফৈদানা পাই। দোলাইগী মাঙদনা লীচৈ পাযব মী চংকনি। মতম খুদিংদা কোক খুমগনি।

১। *এন খেলচন্দ্র 'মশিন' (খুংই ওইনা লৈবা)*
২। *মথক্তা পল্লিবা লাইবিক*

লৈবাক্কী মহাবাণী ওইবা হায়বসি অবায়বা নত্তে। নুপী অদু শাগৈ জাৎ ফবা ওইববসু যুম্নাক অমগী ইমুং অমগী নিঙোলনি। মবম অদুনা মহাবাণী ওইগদৌবিবী নুপী অদুদি কোনুং মনুংদা কুইনা লৈবক্লবা মথক থোংবা অহলশিংনা কোনুং মনুংগী অকুপ্পা হৌন লোনচৎশিং অদু তম্বিগনি। মহাবাণীদি চাবা থকপা মতমদা য়াম্না চেকশিনগনি। হায়নবা লৈ মদদি মহাবাণীনা চাক চাবা লোইবকপদা চাবিবা পুখমদুদা চাক খবা শুকশোয় শোযদনা লেমহল্লমগদবনি। মসিনা লৈবাক চাকহোং ঙাহোংনা লৈনবা অমদি নিংথৌ পুন্সি নুংশাংনা লৈনবগীদমকনি হায়না থাজনৈ।

নিংথৌগী মচা মশুশিংদি কোনুংদা চাউবকপা ওইবনা তাকপী তম্বীকবা যাওদনা মশা মবোমদোম অদুম হৈবকই। অদুমকপু মখোযসু মমা অমদি সনামপিনা মতাং অমসুং মতমগী মতুংইন্না নাক যেৎ, থক-খাগী হৌনবী লমচৎ অমসুং থৌগল্লোনশিং অদু তাকই। পিক্লিবা অংাংশিংনা শেন্নবা যাওদনা মপান থোকপা, নিং তম্না চেন চোংবা ফংদে। মবমদি পিক্লিবা নিংথৌ মচাগীসু যেক্লবা মাযকৈ খুদিংদা লৈ। নিং তম্না হৌবকপা অঙাংগী পুন্সিনা অফা অপুন্নবা কোনুংগী পুন্সিদা চঙশিনবা হৌবকই। কোনুং মনুংদা লৈবিবা পুন্সিশিংনা মখোযগী অকোযবদা চেৎনা ঙাক্লুনা লৈবিবা চৎনবী লিপুন্দগী নানখোকপা ঙমদে। মবম অসিনা কোনুং মনুংগী অঙাংশিংগী পুন্সিগা মপানগী অঙাংশিংগী পুন্সিগা যাম্না খেন্নৈ। কোনুং মনুংগী পুন্সিদি যাম্না তোপই।

কোনুংগা মরী লৈনবা লোয়শঙশিং

কোনুংগা মরী লৈনবা চহীগী মথৌ কয় পাংথোকপা হায়বসি লম লমদুগী কোনুংগী ওইবা চৎনবীনি। চৎনবীশিং অসি পাঙথোক্লবা মাগী মাগী থাজনবী মতুং ইন্না লোয়শঙ কয়া লৈনে। পাঙথোক্লদবা থবকশিংদি কোনং অমগা কোনুং অমগা মান্নদবানীনা কোনুংগী মরী লৈননা শেম্লা লোয়শঙশিংসু মান্নদে। পাঙথোক্লদৌববা থবক অদুগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিং শেম্লবনি। লোয়নন্না শেম্লিন লোয়শঙশিং অদুনা মাগী মাগী থবকশিং শিদ নিয়ম চুম্না মথৎ তানা পাঙথোক্লে।

মণিপুরগীসু কোনুংগা মরী লৈনবা লোয়শঙ কয়া শেমগৎলি। লোয়শঙশিং অসিনা কোনুংগা ওইনা চহীগী মথৌ কয়া পাঙথোকই। অসুম্না মণিপুরগী কোনুংগীসু মথৌ পাঙথোক্লনবা শেমখিবা লোয়শঙশিংগী তোপ তোপ্পা মশক অমা লৈজে। অতোপ্পগা মান্নদবা কয়া থোকই। মসিমক্তা কোনুংগী মশক অমসু তোঙান্না চেংথোকহল্লি।

হৌজিক অমগা মনুংদা মণিপুরগী কোনুংগী ওইনা পাঙথোক্লবা মথৌশিং অমসুং মথৌশিংবু পাঙথোক্লনবা শেম্লিবা লোয়শঙশিংগী ফজববা ঈচেল অমমম লৈ। পুম্নমক তেক্তা কায়দনবা হোৎনৈ। লোয়শঙ খুদিংমক্কী অকুপ্পা ব্রাবোল মযেক শেংনা লৈ। লোয়শঙশিংনা চহীগী ওইনা পাঙথোক্লদবা মথৌ কয়াসু নিংথিনা লৈ।

পণ্ডিত লোয়শঙ

লোযশঙ অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লৈবক্লবনি। লোয়শঙ অসিনা কোনুংগী ওইবা চহীগী থৌবম কযা পাঙথোকই। লোযশঙ অসি শেম্বদসু মচা খাযনা মওং তানা শেম্মী। 'পণ্ডিত লোযশঙ' হায়বসিদা 'পণ্ডিত'হায়বা মীবমগী লোল অসি চংলক্লিঙৈদা 'মাইচৌ' হাযনা শিজিন্নবম্মী। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা কযা লাকখি। গবিবনিৱাজ হাক্তক্তগী ওল্লকখিবা ধর্ম্মগী যাওন্দা মাইচৌবু পণ্ডিত হায়না ওন্থোকখি।

অহোংবা কযানা ওন্থোক্তুনা লাক্লবসু কোনুংদা মক ওইবা অমা ওইনা থল্লিবা পণ্ডিত লোযশঙ হাযবসি নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লৈবাক অসিদা লৈবিবা মীওই খুদিং হাযবদি হাও, মযাং, পাঙল, নোংচুপ হাবম, নোংপোক হাবম, লাইবিকযেংবম, ক্ষেত্রিমযুম অমদি লোইনর্বচিংবা লৈবিবা পূম্নমক্কী চৎনবোলশিংগী অবান-অন্থই অমদি নিংথৌগী কোনুং মনুংগী অমসুং লৈবাক্কী ওইবা থৌবম কযামকমদা য়েংশিন্দুনা চৎনবী কায়দনবা ঙাক্লকপা লোযশঙনি। লোযশঙ অসিগী মকোক ওইববু 'পণ্ডিত অচৌবা' হাযনা খঙনৈ। লোযশঙ অসিগী মীওইশিংনা মহাক্কী যাথং মতুংইন্না থবক থৌবম খুদিংমক পাঙথোকই। মবম অদুনা লোযশঙ অসিগী থৌদাংদি চৎনবোলগা মবী লৈনবা থবক খুদিংগী লমজিং লমতাকপা ওইবা মবমনা মখোযগী থৌদাং যাম্না চাউই। লৈবাক অসিদা কবিগুম্বা উপদ্রপ থোকপা, পাখংবা থোকপা, লাইর্গা চীং নিঙখাযবনচিংবগী ঈবাৎ খুকম্বগী থৌবমশিং লোযশঙ অসিনা পাঙথোকই। অদুগা অতোপ্পা লৈবাক অমনা লৈবাক অসিদা লান তাবক্লবসু হান্না মাঙজৌননা পণ্ডিতশিংনা লাম্মীশিংগী মথৱায মমি ফাজিন্নবগী থবক অদু তান্ত্রিক্কী শক্তি শীজিন্নদুনা লান্দাবক্লিবশিং অদুবু মহি মযাই চমহল্লবা মতুংদা কোন্না লাম্মী থাদুনা লান শোক্রে। মবম অদুনা মতম অয়াম্বদি লৈবাক অসিনা লানফম খুদিংদা মায পাক্লকখি। পীকচববসু লৈবাক অসি মীখা পোল্লক্তে। মতাংসিদা পনবা যাবা অমদি লৈবাক অসিনা চহি তবেৎ খুন্তাক্তুনা লৈখিবগী মতাংদদি পণ্ডিত লোযশঙনা মতমদুগী নিংথৌ মচিন মনাও চৌবজিৎ মাবজিৎ অনীগী মায যেংলিঙৈদা মখোযনা তৌফম থোকপা তান্ত্রিক্কী থবক অসি তৌহৌদবদগী ঔৱানা চহী তবেৎ খুদুম চনখিবনি।[১]

পণ্ডিত লোয়শঙ হাযবসিগী মনুংদা যোইবেন, অমাই অমসুং অশৈবা হাযনা মখল অহুম থোক্লা লৈ। যোইবেনগী থবক্তি পণ্ডিত অচৌবনা পুই। মসিনা লোয়শঙ অহুম অসিগী মকোকনি। লোয়শঙশিং অসিগী মথক্তা মহাক্লা যেংশিনবা, অফবা লম্বী তাকপগী লমজিংবা ওই। মহাক্তি লৈবাক্কী চৎনবোন খঙবা, লাইশোন তিনশোন য়াম্না মমুৎ তানা খঙবা মীওই ওইগদবনি। লৈবাক অসিগী নুমিৎ খুদিংগী থোক্লিবা থৌদোক ইশিনফম ওইবিবা "চৈথাবোল কুম্বাবা" অসিদা ইগদবা ৱাহৈ ৱাতাশিং অদু ফাওবা পণ্ডিত অচৌবগী যাথং য়াওদনা কুম্বাবদা কবিগুম্বা

১। ও ভোগেশ্বর সিংহগা, হকথেংননা উন্নকবদগী তাকপিবকপা, নুংখিল তাং ২৪।২।৮৭ ইং

অমত্তা ইশিনবা যাদে। মহাক্তি লোযশঙ অহুম অসিগী থবক থৌবম পুম্বা খঙবা মীওই ওইগদবনি।

পণ্ডিত যাইমা হাযবসিসু থৌদাং চাউই। পণ্ডিত অচৌবনা কবিগুম্বদা মশা ঙমদদুনা পাঙথোক্কদৌবিবা থৌদোক অদুদা যেংশিনবা ঙমদ্রবাদ মহাক্লা য়েংশিনবা যাই। শম্না হায়ববদা পণ্ডিত অচৌবনা তৈবিবা বিদ্যাশিং অদু মহাকসু হৈগদবনি। অযাম্বা মতমদা কুম্বাবা অসিমক মাগী মথৌ ওইনা ইগদবনি। অদুগা কবিগুম্বা মফমদা লাইগী তিনগী নৎত্রগা শাগৈগী খৎন চৈনবা অমদি নিংথৌগী থৌ অযাম্বা পাঙথোকপদা মহাক্কীসু থৌদাং লৈ।

পণ্ডিত অতোম্বনা অশেবগী লোযশঙ পুই। লোয়শঙ অসিগা মখাদা অমুক অমাইবা অমাইবী অমসুং পেনা হাযবা লোযশঙ মচা অহুম অমসু লৈ। জাতি অসিগী চৎনবোল ওইবিবা লাইগী থৌবমশিং পাঙথোকপসি মখোযগী মথৌনি।

শৃঙ্গংগী নৎত্রগা নৈকাযগী নৎত্রগা শাগৈগী লাই হবাওবা মতমদা পণ্ডিত লোযশঙদা চৎতুনা হায়া বার্ণন থাগনি। লোযশঙগী পণ্ডিতনা নুমিৎ থাবান অফবা যেংদুনা মতম পীবক্কনি। অদুগা হবাওবদা যাওগদগা মাইবা মইবী পেনা খোংবা থাগনি।

অমাইবী লোযশঙ

লোযশঙ অসিসু কেন্নুংগা যাম্না মশা লেনবা লোযশঙ অমনি। লোয়শঙ অসিনা মকোক ওইবিবু অসৃপ্পী থৌই। অসৃপ্পীগা মখাদা 'শঙলাকপী', 'হঞ্জবী' অমসুং 'হিদং' হাযনা লৈ। হাযবিবা অহুম অসি পেনা মবিদগী শঙলাকপী মবি, হঞ্জবী মবি, হিদং মবি লৈগনি। মবি অসি লাল্লুপ পুনবম্মী লাল্লুপ পুগদবা নুমিৎশিংদি ঃ

শঙলাকপীনা নমিৎ ১০ নি পুগনি।
হঞ্জবীনা নুমিৎ ৫ নি পুগনি।
হিদংসু নুমিৎ ৫ নি পুগনি।

অমাইবী শঙগা মনুংদা ফুবা, শঙলেন অমসুং নোংমাই হাযনা অহুম থোক্লা থাযদোকই। নিংথৌগী লাইগী ওইবা থৌবমদা শঙলেনগী মাইবীনা পুই। অঙোমগী লাইশিংগী থৌবমশিংদদি লংমাইগী মাইবীনা পুই। অদুগা ফুবাগী মাইবীশিংনা মীচম প্রজাশিংগী লাইগী থবক্তা পুই।

লৈবাক্কী পানা মরিগী লাইপুশিংসু তোঙাল্লম্মী। মদুদি –

পানা	লাইগী মমিং	লাইপুগী অমাইবী
১। খাবম	নোংশাবা	ফুবা
২। লাইফম	পাখংবা	শঙলেন
৩। নহাকুপ	যুমজাও লাইবেম্বী	নোংমাই
৪। অহল্লুপ	নোংশাবা	মসিগী লাইপুদি ফুবাদগী খাইদোকই।

পানা পানাগী মতুংইন্না লাইপু খাযদোকপা অসিনা লৈবাক্কী থৌবম শিনবদা খুদোং চাবা ফংই। অমগা অমগা লাইপু কোন্নদবগী অরাবা খুদোংথিবা থেংনহন্দে।

অমাইবীশিং অসি শেৎনিংই হাযদুনা ফিজোল অমা শেৎচিনবা যাদে। মমাঙৈদগী হৌনা অমাইবীশিং অসি ফিড়ৌ শেৎলি। অদুমকপু লোযশঙদা মাগী মাগী ফমদগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা ফিজেৎ লৈ।

হিদং হাপ্পবদি শাবোং শেৎপা যাবে। হঞ্জবী হাপ্পবদি লিশোন ফুরিৎ খুজি তান শিবা যাবে। শঙলাকপা ফমথোল কাববদি ফিবাংজী ফিদা থাই। অদুনা লমথাং খুৎহৎ ইনবা যাবে। মসিমদি প্রণামিকা থাববা মতুংদা অশুপ্পীনা পীগনি। অশুপ্পী ফমথোল কাববদি ফিবাংজি ফিদাগা লোযননা ক্নাগোক থাই।

নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদদি অশুপ্পী ইমানা লাইচা পুম্মক চাগনি। মহাক্না নিংথৌগী শরুক খবা অমুক খাইগনি। মতমসিদা মাইবীশিং অসি লৌথোক লৌশিন হাযবদি কৌথোক কৌশিন তৌবা মতমদা নিংথৌ মনাইশিংনা পোৎথাং পুবম্মী। মপুবোইবা নৎএগা মচানদ পোৎথাং অসি পুবমদে।

ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মাইবীশিং অসি মৈতৈ জাতিগা তৎনথানবা যাদনা লৈবক্নি। মখোযগী শিনথাদি কবিনা ওইগনি হাযবগী মতাংদা 'শঙ পান্নবগী মশিন' লাইবিক্তা ইব

মাইবিগী শিনথাদি লাইপাও তিনবাও, লাইগা তিনগা

খযোম চবান, শবোই ঙাবোই, অসি খৈবিক মাইবিদা

থাগনি।[২]

লাইবিক অসিদা ইবম্মিবা শিনথাশিং অসি তৌজিক ফাওবদা মাইবীশিংগী শিনথা ওইনা লৈবি। লাই হবাওবদা নৎত্রগা শগৈগী অপোকপা খুরুম্বা অমসুং যুমগী লাইনিংথৌ সনামহি

১। থম্বালমচা দেবী, অসুপ্পী হকথেংননা রাবী শাম্নকবদগী ফংলকপা সনা কোনু, তাং ২৯।৪।৮৭ ইং
২। এন খেলচন্দ্র সিংহ, 'শঙ পান্নবগী মশিন' (ফোঙদ্রিবা)

খুকুম্বদা মাইবীনা শবিক পাইদুনা লাইবাও চেল্লি। লাইবাও চেনবা অদু মখাগী অসুম্না হৌবকই--

ইদাইবেম খুঙ্গং অচৌবা
ইখুন খুনবী অচংবা
নযু খোইযুম শিদবী ঐনা
খাবী শিল্লুতোং অমাইশিংখোঙ নেৎনা
চীংঙু লাইবাওনিবু হাযবমগে
খোইযুম লাইবাও চেল্লমগে
পাচা খাযগে শল্লাই যেল্লমগে
হাযবম্মুদা ইদাইবেম
... ...।[১]

ঈশৈ অসি অমাইবীনা শবিক পাযবগা লাইবাও চেল্লমদাই মতমদা লাইদা হায়জবনি। অদুগা ইকোন কোনবগী ৱাহৈ 'হাযবম্মুদা ইদাইবেম' হাযবসিনা লাইনা লাইবাও চেনগদৌবিবা মাইবীদুদা হাযবম্বনি হাযনা লৌই। মসিগী মখাদদি তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা কৎলুবা হৈ লৈ দক্ষিনাগী মশক্কা লোযননা কৎলুবিবা মী নিপা নৎত্রগা নুপী অদু পল্লগা লাইবাও চেল্লকই। মাইবীনা লাইবাও চেল্লিঙৈদা ফাওবকইবশিং অদু লোইববা মতুংদা মশানা অমত্তা খঙহৌদে।

নিংথৌগা লাইবাওদি তোঙান্না তৌই অবেপ্পা মতম লৈতে। নিংথৌগী যাথং লৈবাক তাবা যাদবনিনা মহাক্না হেক হাযবগা লাইবাও চেনগনি। লাইবাও অদু মাংশোক্তা ওইবা যাই ফম্মাংদা ওইবা যাই। নিংথৌনা লৈবম্বা মফমদুদা অদুম্মক শবিক পাইদুনা লাইবাও চেনগনি। নহা ওইবী অমাইবীশিংদি নিংথৌগী লাইবাও চেনবা চঙহল্লমদে।

অমাইবা লোয়শঙ

কোনুংগা মবী লৈনবা লোযশঙশিংগী মনুংদা অমাইবা লোযশঙসু অমনি। মাইবী লোযশঙনা জাতি অসিগা থাদোক্লবা যাদনা লোযনবকপগুম অমাইবা লোযশঙসু মৈতৈ জাতিশিংগা থাদোক্লবা যাদনা লৈবক্লি। শঙলেন অসিগী শিনথাগী মতাংদসু 'শঙ পান্নবগী মশিন'দা ইবি ঃ-

১। থম্বালমচা দেবী, অসুপ্পী হকথেংননা বাবী শান্নকৎবদগী ফংলকপা সনা কোনুং, তাং ২৪।৪।৮৭ ইং

নিংথৌনা সনা খোঙলেঙলবদা কোনযাই পুদুনা থৌগল ইনগনি। সনা ফমজাউ মখা কোনযাই পুদুনা থৌগল ইনগনি। সনা মনুং চঙফম অচৌবা অপিশা কোনযাই থাগনি। লম-তু তাইবা, তিনফম লাইফম লৈবম্না কোনযাই থাগনি। শঙ পুম্নমক্কী মনুংদা উচেক ব্লাযা, লিন, শা, কৈ, খোই লাই অসিনচিংবা পুম্নমক্না চঙবা তোঙবা পুম্নমা ইবাৎ থৌনিগনি। লৈতায নোংদায, তু-খোং, লযথোঙ, নোংখোঙ তাইগনি। চুপশা মোইফেং তৌগনি। নুং চীং মৈ, ঈশিং নুংশিৎ তাইগনি। লৈমা নিংথৌ শিবগা মঙ্গাবকপদা নাহৈগনি। লাইগী তিনগী খেলেলোন খনলোন য়ুপান থাবা, পাফন নোংলৈ, খেঙ্গো, ঔগ্রী শক্কনি। লাইফমদা ঔগ্রী শর্ক্কন। পনথোংদা লাৎপা, চীংলাই তম্লাই লাৎকনি। মাযকৈ ৮ মা তাইগনি। কুমগী খুনথোঙ লাৎকনি। শজিফোয লৈথোঙ লাৎকনি। [১]

লাইযিক অসিদা পীবিবা শিনথাশিং অসি যেংলগা মাইবা শঙলেন আস নিংথৌ পাল্লইঙ মতমদগী তৌনা থাদোক্লবা যাদনা লৈবক্কি হাযবা যাই। কোনযাই হুল্লপা নিংথৌগী অফ ফব, তিনমু লাইমু খঙবা ঙম্মী। কোনযাই হুনবগী মবোন্দি ঃ

তৌ কংলৈবু লম্মহল্লো লমলেনবু অনি থোকও। তুলেমন অহুম থোকও। তম্পাকলোন মঙামক, লৈমুবোন তকুকমা লৈখাবি, লৈবাম্বী, অপোকচনু খামব্লাই যামবাইনু তম্বাক লৈশুক লৈশোই যাম্বী ও ঐবু চীংঙু নখোংখাদা নশু হেবুংথৌ হেবেম্মশিংনা পানথোইগে পুথোকইগে কেবোকলাক মযাংলাক মীবেনবানকা মীবাইবেনত্তোং, পুর্নাি নোংশাংনা হাইহৈ লৌহৈনা পানগে হাযবগী কোবৌ নোংলুপান অঙৌবনা লুপা কোনগাচন, মালেম লৈম্না অঙাংবনা ম্না যাইগা চম্লবনে হোঃ ফবো। [২]

১। এন খেলচন্দ্র সিংহ, 'শঙ পান্নবগী মশিন' (ফোঙদ্রিবা)
২। মাধব সিংহ অমসুং খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পাদন), 'খুম্নুং লিচৎ শাজৎ', থোঙাম মাধব সিংহ (ফোঙবা), ইম্ফাল, ১৯৭০, লাঃ ৪৯

নিংথৌ পাল্লিবঙে মতমর্দাদ মাইবা মাইবী নিংথৌ শানি। হায়বদি থাদোক্লবা যাদে। নিংথৌনা শা ফাবা চৎপা তাবর্বাদি শা ফাগদবা ফাবোইদ্রা মদু চৎপদা মঙ্গল ওইগদবা ওইবোইদবা হায়বগী কোনযাই হুনগনি। লান চৎলমদাই মতমদসু মাইবনা সনা কোনযাই লুপা কোনয়াই হুনগনি।

নিংথৌনা অযুক য়াহৌবগা হকচাং শেংদোকপা লোইবগসু মাইবনা 'খোইজু লমওক' শকই। ঈশৈসি মখাদা পীব–

কোবৌ নোংথৌবেনও. সনা নমিবেন মিবেন থৌযাংববু
খামরাই যামরাইবক্কী কোল্লে। হৈবেম নোংদমলক্কী
কোল্লে। লৈচিন চিক লিবাবক্কী, লৈথম খমলিবা বক্কী
কোল্লে। কৌবা কৌনুখোই, মখান খুঙমলোই. হুইযেন
চামাইঙাংফানা খোইনা কোল্লে। সনথোং হৈমাব হৈমাযোম
খাগোইনুংদা লিবোহৈ তিনচা লাইচা তান্না হৈনা কোনবা
নউঙনে। চকশানুপী মশীংখাং. মমান লুবাং তঙে তঙাইববু
হাযনিংশাংনা শোনমাই যাম্মে, শিশুনুপীখৎতে। ঙাগ্রানুবীনা
পিখৎখিএ। চাওমন যেৎ ওই কোনফাবা. ঙাইবোই শিংমিৎ
নমফাবা, কাশান খুনঙম শিং, হুযেন লমশাংববু মিংনাইবা
ফানা শিংনা কোনমনঙৈনে। চেপ্পী বাযা থুম, বানাক নাকতৈ
লাকফাবা, চিনলেন মাইকোইস ফাবা অশেং অবোংবনা কোল্লে।
হাওমু লাঙৌবী লাঙৌবা ফানলো, চংবি লামুৎ লাযাইবা
অশেং অবোংবনা কোল্লে। লাইবেন নংবু নযু থাংচিংখোক
লাবগুমনা চিনদুমনাও। থাংলেন যাশাবগুম্মা নথৌ হেন্নৌও।
রাকযৈ হিবাবাকুম নথৌ চোন্নৌ হাযবগী কৌবা কৌনু
খোইনা মৈখু শেংলোন কানা পুনসি নোংশানা থামৈ
কোল্লি ও, মালৈ কোল্লি ও. হে কোবৌ লেমলে। [১]

লোযশঙদা লৈবিবা অমাইবা অমাইবীশিংগী চান থক্লবা কোনুংনা হুল্লি। খুঙ্গংগী নৎত্রগা লৈকাইগী নৎত্রগা শাগৈগী লাই তবাওবগী মাইবা মাইবী পণ্ডিতকী রা তাববা মতুংদা অশুপ্পীনা মখোযবু থাগনি।

১। *মথক্কী পল্লিবা লাইবক, লাঃ ৬১ ৬২ (খুন্নুং লিচৎ শাজৎ)*

পেনা লোয়শঙ

কোনুংগা মবী লৈননা লৈবিবা লোয়শঙ অসি য়াম্মী। মখোযগী মনুংদা পেনা লোযশঙসু অমনি। পেনা লোয়শঙবু অশৈবা লোয়শঙ হায়বগসু খঙনৈ। লোযশঙ অসিসু অতৈ লোয়শঙগুম য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লৈবক্লি। পেনা হাযবা ঈশৈগী যন্ত্র অসিগা লোযননা অশৈবশিংনা ঈশৈ শকই। পেনা হাযবিবা ঈশৈগী যন্ত্র অসি কদাইদগী কবম্না হৌবকখিবনো হাযবগী মতাংদা তোঙানবা ৱাবী কযা লৈ। স্না কোনুংদা লৈখাম শঙলাকপা ওইনা পেনা লেয়শঙগী থবক পুবা লোংজম নিংথেমজাও সিংহনা 'লাঙ্গোল লুখোই' পুয়াদা যাওই হাযদুনা পেনাগী মশক অমসুং মসিগী খোনথোক অসি লৈবকপগী মবমদা ৱাবী লিবী, ৱাবীর্দুদি

লৈমবেন্না মক মবাংগি পাম যান্দুনা অসুম লৈবিঙৈদা
অতিংকোক গুকনা মাগী সেবা তৌদে হাযনা শাওদুনা
লাইজ ইবোন্নুংদা কুমখ্রে। লৈমবেন্না কোযনা যেঙলকপদা
মপুবোইবা উদ্রে। নুংসাগী মৈশানা শামনবদগী খৌবাংবনা
লাইজ ঈশিং থক্কে হাযদুনা লাইজ ইবোন্নুংদা কুমথবকপা
মতমদা ইবোন্নুংদা লৈবিবা গুকনা নুংশিববা খোঞ্জেল
অমা খোংলকই। মতমসিদা ইবেম্মনা লাইজ ইবোন্নুংদগী
কাখৎপিবো নংত্রবদি শাপ তৌবনি হাযবদগী গুকনা
পেনাগী খুৎলাইগা লোইননা লাইজ ইবোন্নুংদগী
ফাওগৎলকই। লোইনবকইবা পেনাগী মশক্তি তুম্বানা
মক ওইনা অদুগা কোনশিল্লিবা শকক অদুনা ৱাচেৎনা
ওই। গুকনা লাইজ ইবোন্নুংদগী খোংলকইবা পেনাগী
সুব অসিবু লমইন পেনা হাযনা খঙনৈ। [১]

লমইন পেনা অসি হৌজিক ফাওবদা লাই ইকৌখৎপদা শীজিন্নাব। মবোলদি—

পি থদোই পি থাদোই
থাদোই থদোই নাওশৈক্রে। [২]

১। *লোংজম নিংথেমজাউ সিংহ, লৈখাম শংলাকপা (পেনা লোযশঙ) উন্নদুনা ৱাবী শায়কবদগী ফংলকপা তাং ৩১/৫/৮৭ ইং*

২। *মথক্কী মীওইসনা হাযবিবকপা*

ঈশৈ অসি লাই ইকৌবমদাই মতমদা লাইজ ইবোন্নুংদা তুমদুনা লৈবিবা লাই অদুবু হৌদোকপা মতমদা শকই।

পণ্ডিত খবনদি লমইন পেনা অসি নিংথৌনা শামু তোংদুনা লেংথোক্লকপা মতমদা পেনা খোংবা অশৈবনা তুংদা চৎতুনা যৌবক যৌবকপা লমদু থাদুনা চৎপবু খঙনৈ হায়না মোৎ পীবি।

পেনাগী মশক অসি কয়াম কুইববা, কবম্না শেন্নম্বা অমসুং কবম্না কৌখ্রিবনো হায়বগী মবম অতোপ্পা অমনা ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহনা ইবা 'পেনা হৌবকফম' হায়বদুদা ইবি–

" হৌজিক্তি পেনাগী মসকপু ফাওনা হায়বক্কে।
নুমিৎনা মকনে, থা কৌবা লাইনা মমায় ব্রোইবে।
থাকী মনুং চপী হায়পোং পামাপ অদুনা পেনাগী
তেজ্বাল বোইএ। মখুল অখুপা অতুনা পুংকোয়কী
কং ঔৎপা খোনথোকনা সিংলি মৈলোমপা বোইবাবাকা
পংকোয়কা ননুং অতুনা কয়েক ওইএ। অসাইঙৈকী
সিংলি, মৈলোমপাকী মতোল অতুনা তাইপং পানলিপাকী
পেনলপা মখুল অতুনা কতোং ব্রোইতুনা কয়েক
তাদনা খেয়বী বাইতুনা পেনাকী চৈচিঙ অমবক
লোইবে। মবা লাসাপা মবাং লাংসাপা পুমনামানা
পেনাকী মবাক বোইবে। চককিবিপা তাংকিবিপী
অনমাকা তনা মন তাকনাবপাকা মপাল থোকপা
তাইপঙ পামনা পেনলে হায়পকী পেনা কৌএ। অসিপু
মপাল থোক্রা খাংপোনে। অসিবু তাইপঙ পানাপাকী
পোকনা সাংনপাকী অসী পানা হাননা খোংএ।

পাবিবা পেনাগী মশক আসদগীসু পেনা হায়বসি লমদমশিদা লাইয়ামশিংনা খুন্দাদুনা পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লৈবক্লে হায়বদা চিংনিনিংঙাই লৈতে মবমদি ঙসি ফাওবদা পেনাগী তাংদাংবা হৌবকফম খঙবা ঙমনদ্রি।

পেনা লমদমাশগী যেলহৌহৈদগী তৎন থানবা লৈতবা সংস্কৃতিদা চাওববা থৌদাং যাদুনা ঙসিফাওবা লৈবি। লৈবাক অসিদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা পেনা থাদোক্লবা যাবাক্রে।

১। মণিপুরী সাহিত্য পারষদ, মণিপুর (ফোঙবা) "সাহিত্য", ভোঃ ৮, ২৯ শুবা শীং, ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ, 'পেনাগী হৌবকফম', ১৯৭৬ লাঃ ১ ২

নিংথৌগী মফমদা যাকাইবোল শকপদা, নাউশুমবদা সনা খোঙলেঙবদা, লমদা শামু তোংলগা লেঙথোকপদা লমদগী শঙ্গাযদা লেঙলকপদা অশৈবা পেনা খোংবনা থৌগন্দবা যাদে। জাতি অসিগী নাংকী ওইবা লাইগী থৌবম কয়াদা হাযবদি লাই ইকৌবা, লাই থেমগৎপা, লাই যাকৈবা অসিনচিংবা কযাদা পেনা য়াওদবা যাদে। পেনা লোযশঙ অসিগী শিনথাগী মতাংদা "শঙ পান্নবগী মশিন" দা ইবি–

পেনা খোংবশিঙগী শিনথাদি- মহাবাজগী অহিং ফম্মাং
ঈশৈ খনগনি। যাকৈবোল শক্কনি, লমযিন থৌগল চৎকনি।
তিনদৌ লাইতৌ পুম্নমা চৎকনি, লাইপৌ অনোযবোল শক্কনি।
লাইগী তিনগী যাহৌ যাকৈ শক্কনি। তিনপাউ লাইপাউ
শক্কানে। অহিং ফম্মাং খনফমদি শঙ্গায থোঙজিন মযাযদা
খনগনি।[১]

পীবিবা শিন্থাশিং অসি হৌজিক নিংথৌ পানবা নংত্রবসু লাই তিনগী থবক্তা থাদোক্লবা যাদ্রি। নিংথৌবু যাকৈবগী ঈশৈ মখাদা পীবি–
বাংবা শোবাযেন নমু পোংহনবা নশানৌ ইবেম্মা
কোতেশ্বরী মহাবাণী সনাগী তাংবল মথক্তা
মণিগী মতুম তাবগুম
খোম্লেন তুমখুন তানববু
চেক্লাগী জাংকী মখৈ
মাগী মাগী থৌগন তৌবক্লে
খোম্লেন মীকপ খোকপীবো
যোইমযাই অঙান খিং শিং খোংদাবে
থবীবনা নমগনি
থবাবনা কানগনি
লেংখৎপীবো লাইনিংথৌ
কংলাগী চেগপ ফম্বা মতাং যৌবক্লে
ব্রাযেন বিচাব তৌবা মতম যৌবক্লে
লাইনিংথৌ।[২]

১। *এন খেলচন্দ্র সিংহ, "শঙ পান্নবগী মশিন" (খুৎই ওইনা লৈবিবা)*
২। *লোংজম নিংথেমজাও সিংহ, (লৈখাম শংলাকপা) (পেনা লোযশঙ) দগী ফংজবকপা অযুক ৩ং ৩১।৫।৮৭ ইং*

ঈশৈ অসিদা নিংথৌ মহাবাণী অনিনা সনাগী তাংবল মথক্তা মমল নাইদ্রবা মণিগী মতুম তাবগুম্না লৈরিবসি নোং ঙাল্লক্তুনা উচেক বায়া পূম্নমক মাগী মাগী মথৌ তৌরক্লে হৌগৎপীরো। কংলা কাদুনা বাযেন বিচাব তৌবা মতম যৌরক্লে হায়দুনা তুমদুন লৈরিবা নিংথৌবু হৌদোকপনি।

নিংথৌ মহাবাণী অনীনা চেপ্লমদাইদা শকপা ঈশৈবু নাউগুম ঈশৈ হায়না খঙনৈ। ঈশৈসি মতেক খবা মখাদা পীবি—

য়োইময়াই থেংঙক্লে
অঙান ময়ুম চংলক্লে
চীংঙু ইবুংঙো
খোইয়ুম লাইদি লাইনিংথৌ
সনাগী শঙ্গাই নুংঙাইবা
ককচেং লুগা চাওবী য়াকাশঙ
নুবা হঙোই কুমদম শঙ
পাম্বনা কুনবা লোককুম্বা
কৈবেননা শোংগাদবা
সনাগী তাংবল মথক্তা
মণিগী মতুম তাবগুম
খোম্লেন তুমখুন তানবীবো
... ...।[১]

চীংঙু ইবুংঙো লাইনিংথৌ নুমিৎ তারক্লে। নুংঙাইরবা শঙ্গাই মনুংদা হঙোইনা নোংজুথা লাক্ত্রিঙৈদা নুং মখাদা জিবা অতৈনা চংবা ঙমদনা লৈবগুম, পাম্বা কৈনা লোকনুংদা কুন্দুনা লৈবগুম সনাগী তাংবল মথক্তা মণি মতুম তাবগুম তুম্বীরো হায়না নাউথেম্লগা শকপনি। যাকৈ ঈশৈ অমসুং নাউগুম ঈশৈ অনিবু "ফম্ম্যাং থৌগল" হাযবগা খঙনৈ। ফম্ম্যাং থৌগল অসি নিংথৌগী চেপফম কাগী থোংজিন বাংমদা অমসুং থোংগী ময়াই মপাদা ফম্লগা শক্কনি।

নিংথৌনা ময়ুমদগী লমদা সনা খোঙলেঙবদা অমদি লমদগী শঙ্গাইদা হল্লকপদা নিংথৌনা তোংলিবা শা অদুগী তুংদা অশৈবা পেনা খোংবনা ঈশৈ শক্লগা চৎকনি। সেনাপতি লৌবা চৎপদসু পেনা খোংবা যাওদবা য়াদে। ঈশৈদি অনিমক্তা সনা লমওক শকই। ঈশৈসিগী মতেক খরা মখাদা পীবি—

১। লোংজম নিংথেমজাও সিংহ, (লৈখাম শংলাকপা) (পেনা লোয়শঙ) দগী ফংজবকপা অয়ুক তাং ৩১।৫।৮৭ ইং

কোবৌ নোংথৌবেনও, লাইবেন য়াংমা মৈদিংথৌ সনা নমিবেন
মিবেন থৌয়াংববু ইবেন লমলেন লক্ষী, ইমু ইঙৌবোনগী
থাবৈ লেমলৈ লক্ষী, তুবেল ফৌশুম কৌবনুংগী, তাইবং চীংঙুমাং
নোংঙুমাং খাইখৎলক্লে। পুন্সি নোংশাংনা সনা নমিবেন মিবেন
থৌয়াংববু তিনলাবেমলে, সনা নথোংচিনবু পেন্না লিংচিনলক্লে,
নবাকচিনবু কান্না চোংচিল্লক্লে। মীয়াইবেন কান্না চোংনা তুবী
নচৎলম, লাইবেন নফানশা, থোংনাং লাম্লু লিলিশংশুনা থোংলেন
তম্মু চানেৎলমবু তুবী নচিহেন লাইবেন নবাইলাংনা য়াওলকএ।
সনা নমিবেন থৌয়াংববু তিল্লাবেমলে... ...।[১]

পেনা লোয়শঙগী মকোক ওইনা থৌ পুবিববু লৈখাম শঙলাকপা হায়না খঙনৈ। মহাক্কী মখাদা শঙলাকপা মবি লৈ। শঙলাকপা মবি অসি অহল্লুপ, নহাকপ, খাবম, লাইফম পানা মবিগীনি। মবম অদুনা মখোযবু পানাগী শঙলাকপা হাযনা খঙনৈ।

পেনা অসি তমদা লাই হবাওবগী মতমদা অমদি পুম্বি হোংবদা শিজিন্নবা তাববসু ইম্ফালদগী খবা চৎথবগা লৈবিবা চকপশিং, ফয়েং, লৈস্রাম, অন্দ্রো অমসুং খুবখুলদদি মী শিবগী মথৌ য়াঙ্গেম্বদা শ্রাদ্ধ শোনবদা হৌজিক ফাওবদা শীজিন্নবি। ঈশৈদি 'পাখংবা নোঙ্গাবোল', 'খোংজোমনুবী নোঙ্গাবোল' অসিনচিংবা নোঙ্গাবোলশিং শক্লবি।

লোয়শঙশিং অসিগী মথৌ

কোনুংগা মবী লৈননা লৈবিবা লোযশঙশিং অসিগী ওইবা চহীগী মথৌ কযা লৈবি। অদুগা পণ্ডিত লোয়শঙ, অমাই লোযশঙ অমসুং পেনা লোযশঙ অসিসু অমগা অমগা থাদোক্লবা যাদে। লাইগী তিনগী থৌবম অযাম্বদা পুন্না শকক যামিন্নে। তোঙান তোঙাননা তৌবসু য়াওদবা নত্তে। মতম মতমগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা থৌবমশিং লৈববসু লোযশঙ অহুম অসিনা লৈবাক চাকহোং ঙাহোংনবা অমদি নুংঙাই য়াইফনা লৈনবগীদমক চহী অগী মনুংদা তৌদবা য়াদবা থৌবম মবি লৈ। থৌবম মবি অদুদি—

১। চৈথাবা

২। কোংবা লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন তৌবা

৩। চীং শেংবা

৪। লম তাইবা

১। থোঙাম মাধব সিংহ, নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পাদক), "খুম্নুং লিচৎ শাজৎ", লাঃ ৫৩

চৈথাবা ঃ চৈথাবা হায়বসি মমাংঙৈদদি নিপা মবিনা পুবম্মী। মখোযনা নিংথৌগী অফ ফত্ত, মনা অযেক পম্মক পুগদবনি হাযবগী অযাবা অসি চৈ থাগদৌবিবা মী মশানা লৌবগা চৈথাবা হাপকনি। অদুবু কিযাম্বা মহাবাজগী হাক্তক্তগীদি মী মবিনা পুবম্বা অসি তোক্তুনা মী অমত্তদা পুহনখ্রে। চৈথাবগী অকুপ্পা মবম "নিংথৌ চহি" কৌবা লাইবিক্তা ইবিঃ

লৈশেমঙৈদগী লৈনুং শেঞ্জা পাখংবগী মতমদা
চৎনবকপনা মতুংদা মৈদিংঙু কিযাম্বা ইনিংথৌগী
সনা হাক্তক্তা ১৯০৬ তগী হান্নগী চৎনবকপা
থৌবমনা লাইবোন ওইনা হাযবগা নিপা ৪ না
পবম্বা চাহগী মশিল অসি ওশেংনা নুপা অমত্তা
পুহল্লসি মাগীদমক্তা থৌগাইখিবসি হাযনা সনা
যাথং তাকপীদুনা লোযশঙ পুম্নমক্না খন্নদুনা
সনা যাথং লপাক তাহন্দনা লৈবাক কোযবা
অঙম্বশিং পুম্নমক্না লিক্লাই নিংথৌবেনগী সনা
যাথংবু কাম্দনা চহি অসিদগী হিযাংলোই
পোইশো কৌবা মদাইবেম অথৌ অযাং কোনববু
লৈবাক্কী নিংথৌগী চাশিল ওইনা থোকপিখিএ মদাইবেম
হিযাংলোই মথৌববু লৈবাক নিংথৌগী থৌ কাযবিদুনা
নহাল নোংগী চৈ পাযদুনা লাউবম্বা চৈ অদুবু
থদোকখ্রে হাযবগীদমকপু পোইবৈচা হিযাংলোইবু
চৈথাবও কৌদুনা কৌবঙৈনে। অদুসু মদোমদে
বাণম শুদোন তানা লাংহৈ কুমশিং খুদিংগী কুমজা
লাকযেন ওইবা খুদিংগীবু পোইবৈ ইদাইবেমশিংনা ৱাক্তা
চৈথাবাও কৌনা পৌপুহৌবসনো হাযনা লিক্লাই কোলোই
নগাথং অথুম্বনা পোইবৈ মাপুম তানা নিংথৌ সনা
মযাথংবু হাপথোকাপখিযে হাযদববা।

চৈথাবা হাযবসি পাঙথোক্লুঙো মমাঙদদি চৈ লাওবা (চৈবাওবা) হাযদুনা পাঙথোক্লবম্মী। লমতা অমসু শজিবু অনি তাইনবগী লোন্নবা অহিংদা নিপা মবিনা চৈ পাযদুনা লৈবক্তা

১। কুলচন্দ্র সিংহ (সম্পাদন) কংলৈ নিংথৌ চহী 'লা' ৬ ৭, ১৯৬৯

লমজাওদা অনৌবা চহী লাক্লনি হাযদুনা লাওদুনা চৎলম্মী। মসিবু 'চৈবাওবা' হাযনা খঙনবম্মী। অসুম্না নিপা মবিনা পুবম্বা লৈবাক্কী থৌ অসি কিযাম্বা নিংথৌগী হাকতক্তগীদি তোকহনখ্রে। মসিগী মহুত্তা মী অমতনা নিংথৌগী অফ-ফত্ত পূম্নমক পুগানি হাযবা যাবগা লোইননা লৈবাক্কী মকওইবা থৌদোক ব্লাথোক, নিংথৌগী নুমিৎ খুদিংগী তৌবিবা মকওইবা থবক পূম্নমক ইশিনগনি। ইশিল্লিবা মীওই অদুবু 'চৈথাবা' হাযনা খঙনৈ। ইশিনবা মতমদা মফম, মতম, মীশক লাইশক খঙনা ইশিনগনি। চৈথাবা অসি চহী খুদিংগী মী শিল্লি। চৈথাবা শিন্নবা মতমদা অবিবা চৈথাবনা য়েৎতা ফম্মি অনৌবা চহিগী চৈথাগদৌবিবনা ওইদা ফম্মী। অদুগা চৈ থাবগী লাইবোলশিং লাওগনি। লাইবোল অসি অবিবা চহিগী চৈথাবনা হান্না লাওগনি। মবোল্দি –

> *"ঐবু সিজবা ইবুংঙো লাইযিংথৌ নোংথৌবেল অথৌবাও,*
> *নদাইবেম ঐনা পুজবকপা কুমনা লৈমা নিংথৌ পুন্সিবা*
> *চাকহোং ঙাহোংবা, ললহোং থুমহোংববু থোইবা হেনবা*
> *ওইবসনু।"*[১]

অসুম্না লাওবা লোইববা, অনৌবা চৈ থাগদৌবিবা মী অদুদা শিন্নবা লোইববা মতুংদা অনৌবা চহিগী চৈ থাগদৌবিবা মীওই অদুনা মখুৎ অনি লোন্নদুনা অমুক লাইবোলশিং হাযদুনা লাওগনি। মবোল্দি

ঐবু সিজবা ইবুংঙো
লাইযিংথৌ নোংথৌবেল অথৌবা
তাইবং শোবাবেন নমু পোংহনবাও
নযু তুবী যোইনোংদা
নোংদা লাইবেন পাখংবা
ঙৌবা লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চিংশোম্বা
চিংগু অনিমক্কী লোইদাম মকুমশাবু
মৈনা ব্লাই তাংনা শমনা
নযু নিংথৌবেল খুদিংদা
কোংবা লৈথোং ফাৎ
শজিবু লৈখুন ফুন

১। মথক্কী লাইবিক লাঃ ৮ (কংলৈ নিংথৌ চহী)

থাংজিং মখোকলাং খোকলা মচৈখাং
পাখং হুযেন লানপাম্বনা
হুযেন লান্দা খোক
হুযেন লম্মানি লম্মাচাও ফানচৈ।
শিমাই নানি লেংবনা খোকলাং
লেংদা খোংনা চৈথাবা কুম।
লোইদাম কুম্বা অনৌবনা
চৈকাবকপা অসিদা ফত্ত
হাওদি শাবাও লানপাও। কল্লক যেক্ল
পম্নমক্তি থাবৈ লেমলৈ তাবশুনো। ৱাবেম
লাললেম খুনচিন লানচিন, মিচিন মিপাও।
চকশি শেনাই তিনথুং লাইথুং, অবান অহুই
পম্নমক্তি নদাইবেম ঐনা তাংজা লুদা খোংনা
পুজবগে। ঐবু সিজবা ইবুংঙো লাযযিংথৌ
নোংথৌবেন অথৌবদি নুমিৎকুম মশোংচাও
থাবাগুম মণ্ডাল নাইনা কুমজা তেকহৌনা
খাজ নৌহৌনা পুন্সি চবৈ কুয। ৱাঙম খোংতোনশাং
তানথোং মযড্র কুই। লোমখোং মীফৈ পাকপা
পোইবৈ খুনতোং লৈহোংবা। যুঙ্গাও লৈচাওববু
পেনা তানফাংলঙৌনে।

পীবিবা মবোর্লশিং অসি রাৎপা অমদি হেনবা য়াদে। লাওবা মতমদা মীযাম তানবা লাওগনি। মবোর্লশিং অসি লাওবা লোইববা মতুংদা ফমফম যেৎ-ওই অমুক শিন্ননি। লাইবোর্লশিং অসি অনৌবা চৈথাগদৌবিবা মী ওই অদুনা পণ্ডিত লোযশঙদা লৈদুনা মাঙজৌননা তমগনি। মসি ইচম চম্না লাওবা যাদে। খোনথোক, সুব, ছন্দ, য়াওই। অমসুং মসি যাম্না মক ওই। চৈ থাগদৌবিনা মী অসি নমদুনা ওইহনবা যাদে, মশানা যানা ওইগদবনি। চৈ থাগদৌবিবা মী অসিগীসু মনা লৈ। মনাশিং অসি কবিনো হাযবগী মতাংদসু মথক্কী লাইবিক অসিদা মখাগী অসুম্না ইবি–

১। মথক্কী লাইবিক লাঃ ৮৯। বংলৈ নিংথৌ চহী)

চৈথাবগীদমক্তা লৌ পবি অমা মনা পীবিবগা
লোয়ননা পবি ফি থুমবোন নাম্মানচিংবা ইনিংথৌনা
চৈথাবা নুপা অদুবু মপুস্পিগী ওইনা থৌগাইপিবমই।
অসুম্না চৎনবন্না অসিদগী লাইবেন মৈদিংগু হুযেন লাংজেন-
ফাবা মবুধৌ ইবুংঙোগী সনা হাক্তক্তগী লৌ ওইনা
পিবিখিদ্রে, ষ্টেট সবকাবনসু, যানদুনা মশাগী মবৌচা
লৈজবদগী, লৌ পবি অমগী মহাক্তা শিদ্রিবমখৈ খাজনা
পিহন্দনা চাজনবা খাজনা কোকপিবমই। মথংদা ষ্টেট
দববাবনা অমুক লেপনখিদুনা চৈথাবা মীদা সনা খুৎনা
মনা লুপা ১০০ দং চহি চহিগী কাযদনা ঙসি ফাওবা পিনবিবি।

চৈ থাবা মীনা ফিজোল অমা হেক্তা শেৎচিন্নদে। খামেন চৎপা, নিংখম শর্মাজির্নচিংবা শেৎলি। কিযাম্না নিংথৌগী হাক্তক্তা হিযাংলোইনা চৈথাবা চহিদগী হৌজিক ফাওবদা চৈথাবগী মিং হাপ্লবে। মহাক্তা ইশিল্লিবা অদুবুনা 'চৈথাবোল কুম্নাবা' হাযনা ঙসি ফাওবা খঙনবি।

কোংবা লৈথোং ফাৎপা ঃ যৌবম অসি শজিবু থা পানখৎলকপগী তবেৎনি পানবা নুমিৎ তা পাঙথোকই। যৌবম অসিদি মাইবনা পাঙথোকই। যৌবম অসি পাঙথোক্লনা যৌর্নিবিবা লাইফর্মদি অঙোম পোকপা অমসুং নিংথেম পোকপনি। অঙোম পোকপনা অহলনি, নিংথেম পোকপনা অতোনবনি। লাইফম অসি ইবিল তুবেলগী নোংচুপ থংবা অমসুং কোংবা তুবেলগানা নোংপোকথংবা মফর্মসিদা লাইফম অনিসি য়াম্না নক্লনা নোংপোক নোংচুপ ওইনা মাই মখা ওন্ননা লৈ। মফম অসিদা লৈথোং ফাৎখিবগী মবম কুম্নাবোন পুযাদা ইবি হাযনা "নিংথৌ চাত" কৌবা লাইবিক অসিদা ইবি—

. . নোংদা লাইবেন পাখংবনা অচৌবা লংমাইনিংথৌ
কাইনৌ চিংশোম্বগা চিংগু অনিমক্কী লোইদাম মকুম
শাবু মথং মথং নিংথৌবোল খুদিংদা কাযদনা চৎথবিবা
অদুগুম্না লাইফমনি। নোংদা লাইবেন পাখংবগী মথক্তা
পানখিবা পাখংবা লৈনুং লোঙ্গা অবিবনা পলেম-পম্থৌ
অনিনা যাংদৌবী যাংদৌবা কৌনা কুমজা থাজা শিখিবগী
লৈথোং ফাৎফমদি কংলা লৈথোংদা ফাৎতুনা যৌনিনবমই।

১ *মথক্কী লাইবিক, লাঃ ১৩ (কংলৈ নিংথৌ চহী)*

মথংদা কুমশিংবু কুমলোন্নবে থাজবু থাবোন্নবে হাংবগীদমক্তা নোকখিদুনা কোংবা কুমলোন্নবে। লৈথোং ফাংখিযে। [১]

ব্রাবী আসদগী কোংবা লৈথোং ফাৎপগী থৌবম অসি হান্নদি কংলা লৈথোংদা ফাংলক্ষ্মী। মনৈথংদা কে 'বদ' ফাংখিবনি হায়বসি খঙবা ঙম্মী।

লৈথোং ফাৎপা মতমদা চংগদবা পোৎচংশিংদি ঃ লাইনিংথৌ অনিগী ফিবোই অশুবা অমমম যাওগনি, লৈমবেনগীদি যাওদে। চু, হৈ, কবোক, অথুম অহাও, চফু উযান, খাবে চেপ, হৈজ্রাং, চেং, যেনশাং নাপী, পোৎপাং চৈপাং, তাইবেন, লাংথ্রৈ, সনা কোনযাই, লুপা কোনযাই, শবেং, লৈশং, যোৎপাক, থাংজৌ, ফৌদাং (থুম্মোক মচা অমদা ফৌ থন্না হাপ্পা), খযোম ৮, ঙানু মকম অনি, চেং লাংথ্রৈ, হৈবী মনা শিংজু, যাম, থুম, মোবোক, ইশানা পোকচবা কবোক, দক্ষিণা ১, যাওকোক ১, থাও, মবোই-মপাং, খোইজু লৈখাম পামসুং থাখল যাওগনি।[২] পোৎলমশিং আস লাইফম অনীমক্কী অমমম য়াওগনি।

পোৎলমশিং অসিগা লোযননা মাইবনা সনা লুপা কোনজল যাইচল্লগা যাওবকপা থাংপাক অদনা লাইফম অদুদা তৌগনি। মফম'দুদা মমাং চঙিদা ফুমলম্বা নুং অদু ফংনবা ১পনি। নুংদগী মখাদা লৈবম্বা তিনগী মশক অদুনা কুমদগী নিংথৌগী অমসুং লৈবাক মীযামগী অফ ফত্ত খুদম খংই হায়না ঙসি ফাওবা থাজনবি। লৈবম্বা জিবা পানবা অদু ফি অহনবা অমনা যোমদুনা মাইবনী মঙক্তা যাল্লগা পুবকই। পুবকইবা পোৎশক অদু সনাকোনুং যৌবগা মোংবা যুমজাও লাইবম্বগী মনুংদা শকং অনিদা অমমম হাপ্পুনা নুমিৎ মঙানি থমই। অসুম্না থৌনিপা আসবু কোংবা লৈথোং ফাৎপা হায়না খঙনৈ।

লাইগী থৌবম পাঙথোকপা চৎলিবশিং অদু লাইফমদুদগী খবা হন্দোক্লগা লাইদা কৎলিবা পোৎলমশিং অদ থেং থাক্কনি। চমাই যেংলগা থৌবমদুগী অফ ফত্তগী ফল খংগনি। চাং লোইববা মতংদা খুঙ্গংদুনা অফ ফত্তনী ফলসু খুঙ্গং অদুনা খংজবা লৈ হায়না থাজনৈ।

চীং শেংবা ঃ চীং শেংবা থৌবম অসি বাকনী মতুং থংনবা নোংমাইজিং নুমিৎত পাংথোকই। বাকনী নুমিত্তা নুপা নুপী, মহল অঙাংশিংনা বাকনী চীং কানৈ। নুমিদাংদা চীং কাবশিং অদুনা হুন্দোক্লম্বা অমদি চাযবম খোৎলম্বা ফত্ত হৌদি পুন্নমক অদু পণ্ডিত লোযশঙগী মীওইশিংনা চৎতুনা শেংদোকপনি।

থৌবম আস পাঙথোকপদা চংগদবা পোৎচংশিংদি মথক্তা পীখ্রিবা কোংবা লৈথোং ফাৎপদ চংখ্রবা পোৎচংশিংগা মান্নৈ। যাওবোইদবা হাযববু ঙানু মকম অমসুং খযোমদনি।

১। *মথক্কী লাইবিক, লাং ৬ (কংলৈ নিংথৌ চহী)*
২। *নামৈবাকপম ইবোচৌ সিংহগা ব্রাবী শান্নবদগী ফংলকপা (পণ্ডিত লোযশঙ), অয়ুক, তাং ২৭।৩।৮৭ ইং*

চীং শেংবা লোইবগা পুবিবা পোৎ-চৌশিং অদু মফমদুদা চাক থোংলগা চাবক্কনি। নিযমগী মতুংইন্নদি চীং মনাক্তা থোংলগা চাগদবনি। অদুমকপু হৌজিক্তি চীং শেংলুবগা মফম চাবা যেংদুনা চাবা থকপা অসি তৌনবে।

লম তাইবাঃ লম তাইবা হায়বসি চহি অমগী মনুংদা ইবোয লোযবা থা ওইবিবা লমতা থাগী অহানবা থাংজদা পাওথোকই। লম তাইগদবা মফমশিংদি ককন্নাদা লৈবা লমদাইপুং, কোংবা কৈথেলদা লৈবা শিংজুপুং, খুবাইদা লৈবা শৌদাপুং অমসুং তেবা কৈথেলদা লৈবা ন্নাংথোনবীপুংনি। লাইফম মবি অসি নুমিৎনা নোংচুপ্তা লৈথবকপা নুমিদাংন্নাযবমগী যাচংবা মতম চপচানা চপ মান্নবা পুংফমদা খুকমগনি।

লাইফমশিং অসি খুকম্বদা চংবা পোৎচংশিংদি— লাইনিংথৌ লাইবেম্মাগী ফিবোয অশুবা, চু, হৈ, কবোক, অথুম-অহাও, চফু-উয়ান, খাবৈ চেগপ, হৈজ্রাং, নৎত্রগা শেনী, চেং, য়েনশাং, মনা মশীং, শবেং অমা, পোৎপাং-চৈপাং অহুম, তাইবেন মনা, লাংথ্রে খুদাপ অমা, লা, উচিবা মবি (ফুট অহুমলোম শাংবা), থাখল অমা, দক্ষিনা, সনা কোনযাই অমসুং লুপা কোনযাই।[1] পীবিবা পোৎলমশিং অসি লাইফম মবিসিগী চপ মান্ননা চংগনি।

লাইগী থৌবম অসি পাওথোকইবগী মবমদি লৈবাক অসিদা লৈবিবা প্রজা মীযাম অমদি লৈবাকাসবু ঙাক শেল্লিবা নিংথৌ অমদি অঙম অথৌ পুম্না না যেক্তনবা অমসুং নুংঙাই যাইফনা পান্নবগদমকনি।

মথক্তা পাখ্রিবা থৌবম মাব অসি অশোয মঙাম থোক্তনবা লোযশঙ অহুম আসনা যাম্না কুপ্না পাওথোক্লবা হোৎনৈ। থৌবমশিং অসি ঙাল্লঙে মতমদগী হৌনা হৌজিক যাওবা চহি খুদিংগী লেপ্লা নৈতনা লোযশঙ অহুম অসিনা পাওথোক্লি।

মথক্তা পীজখ্রিবা থৌবমশিং অসিগী লাইশোল তিনশোলশিং চপ মান্নে হাযবা যাই, লাই মমিং মান্নদবনা মবক্ত খবা খবা শেদোক শেমজিনদি তৌই।

অমাইবা অমাইবী অমদি পাওতশিংনা লাইগী থৌবম পাওথোকপা মতমদা শিজিন্নবিবা লাইশোনশিংদি - (১) অনম অথৌবা লাইশোন, (২) নাহৈবোন, (৩) ঈব লাইশোন অমসুং (৪) অতাই লাইশোননি। লাইশোনশিং অসিগী মতেক অমমমতং মখাদা পীবি—

অনম অথৌবা লাইশোন

উম উংহৈ, উংহে, কেযোই মেনগা, যাইগা, থৌবিৎ থোযাবাং, থৌবিৎ থৌদিনলাংবু, থৌবিৎ থাবা পোংথৌ তম্মে। থাবা মাবু লান্নংদে। যান্না কোনখাংশাগী পোংথৌ মথং পীজগে কুমজা পানলো থৌগে নোংজা পানলো থৌগেঙান্নবে ঙান্নবে ওং হৈ।

১। মথক্কী মীওইশিংদগী ফংজবকপা তাং ২৭।৩।৮৭ ইং (ইবোচৌ সিংহ)

নাহৈরোন

তাউং হাযেং থৌবিতেং, লোইবিতেং, চেংলৈঙান, তংলৈঙান উঙানদগী ব্রাঙানদগী শিনশুগদা শাসুগদা চবোইনা খোংদমদগী য়াম্বীনা খোইদমগদা। হুইথৌনা চীফেংগদা কৈবেন্না যাথোকগদা, লংমাইনা মাইহনগদা, লংমাই হিজিন হিযাথৌনা থিনগাইগদা লাওখাইগদা, পুবৈবোম্বা অঙক অঙাওহৌ শিকপ শিকাই হৌববু মমাইবা তম্পাক লৈহৌমাই, লংমাই লৈহৌমাইবীনা তাইবেন লোংমা লৌনা লাইজা শিকফেনা চাইববদা পুবৈবোম্বা মবোন মবি থোক্লে।[১]

ঈরু লাইশোন

হা যে কোব্রেং মচি ঈ, ব্রাংবন মনাও ঈ, কসা লান্নং ঈ, খাকপা পুবৈবোম্বা পুবাং নাগাবা, খোকমবোক্কী ওন্দে ঈ, খোকমাবোক্কী হানব্রাইবা, থোংনাং নানিবোংবা ফেঙ্গাই ঈ, লৈতুম পুংদুম ঈ, নুংম্মু নুংঙৌ ঈ, অব্রাং কৌব্রু অশুপ্পনা যাবক্তগী শিনথা ঈ, অশাংবম ঈদি ব্রাইচৎ ঈ, অবাম্বম ঈদি ব্রাইকোৎ ঈ নিংথৌ সোবাবেল অবিবা মবিকপী, মবিকপা, শন কোনবী, শন কোনবা ইবেন পিথ্রাই খোংদ্রাইবী, কাসা অশেম আশা হৈবী নঙনা শেম্বিও, শাবিও, হা-যে কোপ্লৌ কাযাগে।

অতাই লাইশোন

হে কুক নোংথৌবেনবু তাইগে, সোবাবেনবু তাইগে, পুবাংববু তাইগে, পুবাং নাথাবা, মবিকপি মবিকপা নঙবু তাইগে, শঙ্গোনবী শঙ্গোনবা নঙবু তাইগে। ব্রাত্রে শিনহৈবী, উত্রে শিনহৈবী নঙবু তাইগে, ব্রানহৈবী ব্রানহৈবা নঙবু তাইগে, লৈম যোইবেনবা, নিংথৌ চবনবা নঙবু তাইগে, ওইথাং ও যেৎথাংও লির্বি লিফাংবি নঙবু তাইগে। লির্বি লিফোংবী নঙবু তাইগে। পাখংবা যোইবেন তোমপোকপা নঙবু তাইগে হা উং হা যেং।[২]

মথক্তা পীর্বিবা লাইশোনশিং অসদি লাইগী ঈবাৎ থৌনিগী থৌবম খুদিংমক্তা শীজিন্নগনি। অদুগা অপোকলোন, তুদৌবোন, ন্যুমিৎ কাপ্পা, মাইবরোন, উমংলোন, পোংনিং, ম্লা লমওক, অহোংলোন, রেমথাবোন, লৈশোই য়ুপান থাবা, খোইজু-লমওক, য়ুমদৈ নাকশেন, মৈ ঈবাংপগী তেংথা লাইশোন, শিংশংপা, শিঙ্গাইবা, লম তাইবা অসিনচিংবা লাইশোনশিং

১। মাধব সিংহ, খেলচন্দ্র সং (ইথেকপা), "খুনুং লিচৎ শাজৎ", থোংঙাম মাধব সিংহ (অফোঙবা), ইম্ফাল, লাঃ ২১ ২২
২। মথক্কী লাইবিক লা. ৮৭ ৮৮ (খুনুং লিচৎ শাজৎ)

অসিদি তোঙন তোঙানবা লাইগী ঈবাৎ থৌনিগী মতমদা শীজিন্নৈ। লাইশোনশিং অসি পাঙথোকইবা লাইগী থৌবম অদু পণ্ডিতনা ওইববসু মাইবনা ওইববসু পাঙথোকইবা অদুনা শীজিন্নবা অদুম্মক যাই।

পালা লোয়শঙ

মতমগী যাওলদা লাকখিবা লোযশঙশিংগী মনুংদা পালা লোযশঙসু অমনি। লোযননা লোয়শঙ অসিগা ইবোইননা অতৈ লোযশঙ কযাসু মথং মথং লাকখি। মসিগী ৱাবী কযা লৈবি।

গবীবনিৱাজগী মমাংদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংনা বৈষ্ণব ধর্ম্মবোমদা মায খবা খবা ওনশিনবা হৌবল্লবসু হিন্দু ধর্ম্মনা নিংথৌ অর্মদ লৈবাক প্রজা থুংনা চৎনবা হৌখিবদি নিংথৌ অসিগী হাক্তক্তগীনি। মহাক্কী মতমদা বামান্দী ধর্ম্ম চৎনবা হৌথি। অদুগা বাধা কৃষ্ণগী ভক্তিদা লুপ্লুনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম হৌদোকখিবদি বাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহাবাজগী মতমদগীনি। নিংথৌ অসিনা ধর্ম্ম অমসুং সংস্কৃত্তিদা অচৌবা দান কযা তৌবম্মী। মহাক্কী মতমদগী বাধা কৃষ্ণ লৎপা হৌখি। নুংতিগী ওইনা নিংথৌ অমসুং মহাবাণীনা বাধা কৃষ্ণগী সেবা তৌবম্মী। নিংথৌ অসিনা হৌজিক লৌববা শ্রীশ্রীগোবিন্দগী কোনুং অসি লিংখৎপীবম্বনি। লাইশং অসিগী মনুংদা বাধা কৃষ্ণগী যুগল মুর্ত্তি, বলবাম কৃষ্ণগী অমা, বলভদ্র সুভদ্রা অমসুং জগবনধুগী মুর্ত্তিশিং লাক্তুনা থম্মী। হৌজিক ফাওবদা মণিপুবগী বৈষ্ণব বৈষ্ণবী কযানা অযুক অমসুং নুমিদাংৱাযবমগী মতমদ দর্শন তৌবা লাক্লবি।

শ্রীশ্রীগোবিন্দগী সেবা অসি কাযদনবগীদমক লোযশঙ কযা খাযদোক্তুনা থমখি। লোযশঙশিং অদুগী মনুংদা "পালা লোযশঙ" অসিসু অর্মনি। অতৈ লোযশঙশিং অদ্দ – ১) পুজাবী লোযশঙ, ২) দুহোন লোযশঙ, ৩) কৈরু শলং লোযশঙ, ৪) কীর্ত্তনা লোযশঙ, ৫) মোইবুং লোযশঙ, ৬) ব্রহ্মসভা, ৭) জগোইশাবী লোযশঙ।

লৈবাক্কী ৱাযেন থৌদা অমদি থৌলোক থৌবম কযাদা কোম্না তৌনবা লৈবাক অসি ১) লাইফম, ২) খাবম, ৩) অহল্লুপ অমসুং ৪) নহাকুপ হাযনা পানা মবি থোক্লা খাযদোকই। মসিগুম্না লোয়শঙশিংগীসু পানা মবি অসি খাযদোক্তুনা পানা খুদিংমক্লা নুমিৎ তবানি তবানি লালুপ কানৈ। থৌওং অসি পালা লোযশঙসু তৌই। অদুগা মাপলনিদা খুন্দিন তৌই। খুন্দিন অসি লোযশঙ পূম্বসু তৌই। মসিদা লোযশঙ কাবক্তদবা অমদি কুমখিগদবা মীশিংগী অশোয অঙাম পুন্না যেংনৈ। লাকপা ঙম্লোইদবা লৈববদি মাপলনিগী খুন্দিনদা হান্না হাযদোকতৌগনি।

কোনুংগী লৈবিবা লোযশঙশিংদগী পণ্ডিত লোযশঙগী হেক মথংদা চাউনা লৈবিবা লোযশঙদি পালা লোযশঙনি। মুন্না অমুক যেংশিল্লুবা তাবগদি হৌজিক্কী মতমদা পালা লোযশঙনবু খ্বাযদগী চাউবা লোযশঙ ওইবে হাযবা যাই। মবর্মদি পালা লোযশংগী মীওইশিংদ

ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগী হৌনা শ্রীশ্রীগোবিন্দগী নিত্য সেবা কাযবা যাবক্লি। হৌজিক ফাওবা চত্থিগী মনুংদা তৌদবা যাদবা থৌগল নত্তবা নৃমিৎ খুদিংগী অষ্টকাল সেবা চংদবা যাদে। পালা লোয়শঙগী মতাংদা শ্রীসুবচান্দ শর্মাগী ''মৈতৈ জগোই'' (অহুমশুবা শরুক্তা) হীব

শ্রীগোবিন্দগী লৈবিবা লোযশঙশিং অসিদগী পালা লোযশঙনা খ্বাযদগী চাউবা হেল্লি। মবমদি গোবিন্দগী সেবাদা সংকীর্তনগী মথৌ চাউনা লৈবনা অদুগা পালা ফাদবসু যাদবনা মী মশাং হেন্না লাল্লুপ পুদবা যাদে। পালা নাইনা লোযশঙ অসিসু লালুপ কায। পলাহন, পালানহা, লৈপাকমচা অমসুং সেবক পালা হাযনা লোযশঙ অসিগী মাব থোক্লা খায়দোকপা মওঙ অমা লৈ। পলাহন পালানহানা নটপালানি, লৈপাকচানগা সেবক পালাগনা বংদেশ পালানি। পালাঙননা লাইফম পানাদা, সেবক পালানা নহাকপ পানাদা, পালা নহানা অহল্লুপ পানাদা অদুগা লৈপাকচাবনা খাবম পানাদা লালুপ কায। পালা খুদিংগী পুং হগ্রবা অমা হিদং অমা ঈশৈহনবা অমা, দহাব অমা, খোম্লাংবা অমা মখোয অসিদি মশক খঙনা মশুগ লৈবা মী হাপ্লুনা থম্মী অসি নত্তবা লালুপাচংবা, মচাইন হাযবা অসি অমসু লালুপ খুদিংগী যাওই। লালুপ চেংবা অমাদি মচাইননা মাগী মাগী লালুপ্তা, অশোয অঙাম থোক্তনবা শাল্লি। মখোযগী মহক্তা ঈশৈহনবনা ঈশৈগী হগ্রবনা পুংগী মবমদা মীৎযেং চঙই। পালাহনগী ঈশৈহনবনা পাল্লিবা নিংথৌগী সনাপালা ওইবা মবম্না লোযশঙ অসিগী ঈশৈনা মবমদা মকোক ওইনা শাল্লি।

লৈপাকচাবা অমদি সেবকপালা অনি অসিদি বংদেশ নৎত্রগা আবিবা পালা হাযনা খঙনৈ। বংদেশ অমসুং নটপালা অনিমক থাযনাদি মী ৬৪ না পালা ওইনবম্মী। মমৈদা ভম্নবক্তবদগী স্যাব চবাচাঁদ মহারাজ সনা হাক্তক্তা মী ৪৫ না শাখি। মঙ্গলার্তি, শৃঙ্গার অবার্তি, অমাদি সন্ধ্যা আরাতীদা পালা ফানা ঈশৈ থৌগন তৌই। লুপ কংলৈউদমু ভোজনগী ঈশৈ শকই। পুং ঈশৈগী মবমদা যেৎনবকপা যাওববাদি নৎত্রগা মসিগী মবী লৈনবা ব্রাথোক লানথোকশিং পুম্নমক অদুদা পালা লোযশঙনা

বিচার তৌই। লোয়শঙ অসিগী মথক্তা ব্রহ্মসভানা হেক হেক মিংয়েং চঙই। পাল্লিবা নিংথৌনা অরোইবা থাক্কী রায়েনফম ওইনা লৈ। [1]

সুবচান্দ শর্ম্মগী ইরমলিবশিং অসি য়েংলুরগদি পালা লোয়শঙ হায়বসি গোবিন্দগী সেবাদা অমদি লৈবাক অসিগী সংস্কৃতিগী থদোক্লবা য়াদবা মরি লৈবে হায়বা তাই। গোবিন্দগী সেবা অসি নোংমগী মনুংদা নিপাল্লক সেবা চংদবা য়াদে। মসিবু "অষ্টকাল সেবা" হায়না খঙনরি। অষ্টকাল সেবাসি নত্তবা চহিগী মনুংদা তৌদবা য়াদবা থৌগল কযামুক লৈ। অষ্টকাল সেবাগী মতমশিং অদুদি –

১। নিশান্ত (অহিং মমৈ)	-	নুমিৎ থোক্লিডৈ দণ্ড ৬
২। প্রাতঃ (অয়ুক)	-	নুমিৎ থোকপা মতুং দণ্ড ৬
৩। পুর্ব্বাহ্ন (নুমিৎ মাঙ্গোন ময়ায় য়ৌবা মতম)	-	প্রাতঃগী মতুং দণ্ড ৬
৪। মধ্যাহ্ন (নুমিৎ যুংবা মতম)	-	পুর্ব্বাহ্ন মতুং দণ্ড ১২
৫। অপবাহ্ন (নুংথিল)	-	মধ্যাহ্ন মতুং দণ্ড ৬
৬। সায়াহ্ন (নুমিদাংব্লাই)	-	নুমিৎ তাবা মতুং দণ্ড ৬
৭। প্রদোষ (য়াচঙবা)	-	সায়াহ্ন মতুং দণ্ড ৬
৮। নিশা (অহিং)	-	প্রদোষ মতুং দণ্ড ১২

অষ্টকাল সেবা অসিগা লোইননা গোবিন্দগী আবতি কৎলি। মতমদি অহিং মমৈ (মঙ্গলার্তি), অয়ুক (ধুপ আবতি), নুমিৎ মাঙ্গোন মযায় য়ৌবা মতম (শৃঙ্গাব আবতিদগীনা লুক কৎপা ফাওবা), নুমিৎ যুংবা মতম (শয়ন, উৎথান আরতি), নুংথিল (গোষ্টদা লেঙবা), নুমিদাংব্রাইরম (গোযান আরতি), য়াচঙবা মতম (লুক কৎপা, সনধ্যা আরতি), নুমিদাং (শয়ন আবতি)।[2]

আবতি মতমদা পালা লোয়শঙনা ঈশৈ থৌগনগনি। ঈশৈ থৌগন্দবা আরতি মতমসু যাওই। আবতি খুদিংগী ঈসৈসু তোঙাল্লি। মসিদসু নত্তনা লাইশং মনুংদা লেঙদনা লৈবিবা বাম-কৃষ্ণ, রাধা-গোবিন্দ অমসুং জগন্নাথকী ঈশৈসু তোঙান তোঙানলি।

মঙ্গল আরতি ঃ অহিং মমৈ হায়বদি নোংযায মতুং পুং অহুম তাবা মতমদা মঙ্গল আবতিগী

১। *শ্রীসুবচান্দ শর্ম্ম, "মৈতৈ জগোই" (অহুমশুবা শকক), শ্রীহিবনকুমার শর্ম্মা (অফোঙবা), অহানবা খুৎনম, ২৫ ওক্টোবব ১৯৬৯, লাঃ ৬-৭*
২। *মথক্কী লাইরিক, লাঃ ৯ (মৈতৈ জগোই)*

থৌগল তৌই। মতম অসিদা পালা লোযশঙদা লাল্লুপ পুবিবা মীওইশিংনা লাইগী থৌগল নংনবা থৌগত্তুনা হকচাং শেংদোকপা ঈক মাইথজবগী থবক পাঙথোকই। পালাশিং অসি ফৈজোম অঙৌবা শেংলি, কোযেৎসু অঙৌবনা ওই, ফুবিৎ লিংতে। লেংযান ফি যাল্লি। ঈশৈদি অহানবদা গৌবপদ অমা শক্কনি। গৌবপদ অসি ঈশৈ হৌবমদাই খুদিংগী শক্কনি। হাযবদি গৌবাঙ্গবু হান্না থুকমজগনি। সংকীর্ত্তন হৌবমদাইদসু গৌবপদ হান্না শকনৈ।

ঈশৈদি–
উঠ উঠ গৌবাচাঁদ নিশি পোহাইল।
নদীযাব লোক সব জসিযা বৈঠল॥
মযুব মযুবী বব কোকিলেব ধ্বনি।
বতসুখে নিদ্রা যাও গেবগুনমণি॥
অরুন উদয ভেল কমল প্রকাশ॥
তৈজল মধুকব কুমুদিনী পাশ॥
কবজোড় কবি বলে বাসুদেব যোষে।
কতনিদ্রা যাথ প্রভু অলিয আবেলে॥ [১]

ঈশৈ অসিগী মখাদা শ্লোক অমা থীগনি। শ্লোকতি –
বজনী চবম যামে স্তোকতাবা ভিবামে
কিমপি কির্মাপি বৃন্দাদেশ জাতাভিনন্দা॥
বিততিবকৃত বাধাকৃষ্ণযো স্বাপবাধা।
মতি মৃদু বচানানং শাবিকানাং শুনানাং। [২]

শ্লোক থিবা লোইববা মতুংদা ঈশৈ অহুম মথং মথং শক্কনি। ঈশৈশিংদু মখাদা ইবি –
১) বাইজাগ (বাইজগ) শুক শাবী বলে।
কতনিদ্রা যাও কাল মানিকেব কোলে॥
বজনী প্রভাব হৈল বলিযে তোমাবে।

১। মথক্কী লাইবিক, লাঃ ১১ (মৈতৈ জগোই)
২। মথক্কী সিমক্তুদা (মৈতৈ জগোই)

অরুন কিবন দোখি প্রান কাঁপে শুব।।
২) বিদ্যাপতি ফহে চাঁদ গেল নিজ ঠত্রি।
অরুন কিবন হরে উঠি ঘবে যাই।।

৩) সময় জানিয়া দুঁহু উঠিয়া বসিল।
বাই অঙ্গ বেল সব করসে সাজন।।
শীতল চন্দন পুন কবত সাজে।
টুটল আভবন সশোভন কবে।।
কুলেধবি বাইমুখ পুন পুন চুম্বন
গোবিন্দ দাস পহুঁ পবমাদজান।

পীবিবা ঈশৈশিং অসি লোইববা মতুংদা গৌবাঙ্গ আবতি অমা ঈশৈগা লোযননা কৎর্কনি। ঈশৈদি—

মঙ্গল আর্বতি গৌবকিশোব।
মঙ্গল নিত্যনন্দ জোবাই জোব।।
মঙ্গল শ্রীঅদ্বৈত ভকতহিঁ সঙ্গে।
মঙ্গল গবিত প্রেম তবঙ্গে।।
... ...।[২]

গৌবাঙ্গ আবতি থৌগল লোইববা মতুংদা শ্রীবামকৃষ্ণ, শ্রীবাধাগোবিন্দ অমসুং শ্রীজগন্নাথকী মঙ্গল আর্বতি মথং মথং কৎকনি। ঈহান হান্না শ্রীবাধাগোবিন্দগী যুগল আর্বাত শর্ক্লনি।ঈশৈদি -
কুঞ্জ পঠ-বাজ বাণী অতি সুবিবাজে।
বৃন্দুন ব্রজ ললন সব মঙ্গল করুসাজে।।
ঘত-ঘন সাব বর্ত্তি কাঞ্চন দীপদান।
লেই-করল ললিতা পদাবী নিবখি যুগল কিশোব।
সখি-বৃন্দ বিবিধ যন্ত্র লেই ঝু মক গাযে।
অতি সুব তালে অতি মুবঞ্জন পঞ্চম স্বব গাযে।[৩]

১। মথক্কী লাইবিক, লাঃ ১২ (মৈতৈ জগোই)
২। মথক্কী লাইবিক (মৈতৈ জগোই)
৩। মথক্কী লাইবিক লাঃ ১২ (মৈতৈ জগোই)

শ্রীবাধাগোবিন্দগী যুগল আবতি থৌগল লোইববা মতুংদা বামকৃষ্ণগী আবতি অমুক কৎর্কনি। ঈশৈদি–

মঙ্গল আবতি শ্রীবাম গোপাল

অধম উদ্ধাবন ভক্ত প্রতিপাল।। ধ্রু

কাঞ্চন থালিপব মৃত তীপাবালি।

মঙ্গল দুহু গুনে গাওযে সম্ববে। [১]

ঈশৈসি লোইববা মতুং শ্রীজগন্নাথ, বলভদ্র অমসুং সুভদ্রা অহুমগী আবতি থৌগলগনি। ঈশৈদি

মঙ্গল আবতি জগন্নাথ বায।

সর্ব্বলোক হবষিত শ্রীমুখ চায। ধ্রু

কাঞ্চল থালি পব সহস্র বর্ত্তিধবে

ধন্য বদন-কমল আবতি কাবে।।

জয জগন্নাথ ধ্বনি উঠিছে কিস্তবে

সে শব্দ ভেদিল গিযা ব্রাহ্মাণ্ড কুহবে।।

সুবনব সুপগন স্তুতি জোড হাত

বালিহাবি কৃষ্ণদাস মাগু প্রনিপাত।। [২]

আবতি লোইবকপা খুদিংগী খুকল্লবা মতৃংদা খুক খুদক কুন্না লৈগনি। মন্দিব সেবক্না আবতি হাযকবনী অচাকপা বর্ত্তি অদু মুৎথত্তুনা লাকইবা বৈষ্ণব বৈষ্ণবীশিংদা মদুগী মৈখু মৈনম অদু যেনবীগনি। অদুগা পুজাবী ব্রাহ্মণনা মন্ত্র থীনা থীনা শঙ্খজলনা কোক্তা চাইবীগনি। শঙ্খজল অদু চাযবকপদা খোঙনা খুৎনা শোক্তনবা চের্কাশিন্না হোৎনগনি। শঙ্খজল চাযবা লোইববা মতৃংদা খুকমদুনা তৌগৎকনি।

লাইথোঙ অহুমগী আবতি থৌগন লোইববা মতুংদা মন্দিব পবিক্রমা তৌগনি। মসিদসু ঈশৈ লোযনগনি। ঈশৈদি–

বাধা কৃষ্ণ প্রান মোব যগল কিশোব

জীবনে মবনে গতি আব নাহি মোব।।

কালিন্দীব তীযে তক কদম্বেব বনে

১। মথক্কী সিমক্তদা (মৈতৈ জগোই)

২। মথক্কী লাইবিক, লাঃ ১৩ (মৈতৈ জগোই)

বতন বেদীব পবে বৈসাব দুইজনে।।

...   . ।[১]

পবিক্রমা অসি অহুমলক ওইববসু যাই, নৎত্রগা মণ্ডাবক নৎত্রগা তবেৎলকসু কোই। পাবক্রমা চৎপা মতমদা ঈশৈ শকপশিংদৃতা নত্তনা লেংঙকইবা বৈষ্ণব বৈষ্ণবাশিংসু যাওই।

ঈশৈ শক্রুনা পবিক্রমা তৌবা লোইববা মতৃংদা "আজু প্রভাব বল জয়" হাযদুনা লাওবগা মঙ্গল আর্বাতিগী থৌগল লোইশিনগনি।

ধুপ আরতি ঃ নোং ঙাল্লকগা অযুক্কী পুং ৫ তাবা মতমদা শ্রীগোবিন্দ ধুপ আবত্তি থৌগল তৌই। ধপ আর্বাতিদদি পালানা ঈশৈ থৌগন তৌদে। পুজাবী ব্রাহ্মণতনা আবতি কৎলি।

শৃঙ্গাব আবতি ঃ অযুক্কী পুং ৮ তাবা মতমদা শ্রীগোবিন্দগী শৃঙ্গাব আর্বাত কৎলি। শৃঙ্গাবদদি পালানা ঈশৈ থৌগন তৌই। শৃঙ্গাব মতমসিদদি লাই খুকম্বা যাম্না লাক্রে। মখোযনা শৃঙ্গাব মতমদা ইবুংঙো ইবেম্মগী মাইথোং উবা ফংনবা হোৎনে। মদমদি মতমসি ফাওবদি লাইগী থোং হাংদনা থম্মী।

নিংথৌ পাল্লইগু মতমদদি নিংথৌগী লৈমশিংনা লুচিংদুনা নুপীনা ঈশৈ থৌগন তৌবম্মী। নিপানা থৌগল তৌনবমদে। অদুমকপ পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও মতুংদগীদি কোনুংগী ইবেম্মাশিংনা থৌগল তৌবদা খুদোং চাদবা কযা লাকপদগীদি মহাবাজ বোধচন্দ্র সিংহনা পালা লোযশঙগী ওজাশিংদা লাইগী থৌগল তৌনবা হাযখি। মদুদগী ভাস ফাওবদা পালা লোযশংগী ওজাশিংনা ঈশৈ থৌগল তৌবি।

ইহান হানবদা গোবিন্দগী শৃঙ্গাব আবতি হান্না শক্কনি। ঈশৈদি –

বিবাজিত আবতি শ্রীবাধা গোবিন্দ।

ভক্ত বৎসল প্রভু চবনাব বিন্দ।।

ত্রিভক্ত ভঙ্গিমা ঠামে (রূপ) বদনসুচান্দ।

কমল নযন অতি মনসিজ ধনা

মকব কুন্দল নাচে গণ্ডই ছান্দ।

আধবে অকন কানতম ননসিজ যগদ।।

পীতাম্বব কটি পটি বমন আন্দ

ভগ্যচন্দ্র মুঢমতি মাগে পদদ্বনীধ।।[২]

১। মথক্কী লাইবিক, লাঃ ১৩ (মৈতৈ জগোই)

২। মথক্কী লাইবিক, লাঃ ১৭ (মৈতৈ জগোই)

ঈশৌসি লোযববা মতুংদা বামকৃষ্ণগী আবতি অমুক শক্কান। ঈশৈদি-

জয় জয় বামকৃষ্ণ আবতি কবে।

গোপ গোযাল সঙ্গে সত্ত বিহবে।।

নানা মণি কাঞ্চন আভবন সাজে।

বৃন্দাবনে শখা সঙ্গে গোচাবন যাজে।

শঙ্খ ঘণ্টা মদঙ্গাদি বাজে কবতাল।

চৌদিগে ভকতগন বলে ভালে ভালে।

দীন হীন গম্ভীব সিংহ এই আভিলাষ।

জনমে জনমে দুহু চবনেব দাস।।

ইবোয লোযবদা জগন্নাথ আবতিগী ঈশৈ অমুক শক্কান। ঈশৈদি

জয় জয় শ্রীজগন্নাথ আবতি কবে।

নিবখত ভাবনাববিন্দে আপদ হবে।। ধ্রু

ঘনন ঘনন ঘণ্টাবাজেবেনু বাজবে।

বাজত মৃদঙ্গতাল পাদ খঞ্জবে।।

কাঞ্চন মাণ দ পদান জোতি দগমাগবে।

গো ঘৃত আগব পাত্তি পবন বিঞ্জবে।।

ইন্দ্রদাম্ন সিনধুকাছে বাহ নাদক বে।

সবনব মণিগন আবে ঠাবে

ব্রাহ্মদেব উচ্চবে।

ধন্য ধন্য বাসদাস আবতি কবে।।

মমাংগী ধুপ আর্তিদা তৌখিবগুম শৃঙ্গাবদসু আবাত কৎপা লোইবকপা খুদিংগী পুজারি ব্রাহ্মণনা খকমদুগা শ্বক হুদব পঃ ইবা বৈষ্ণবশিংদা শঙ্খজল চাইগান। লাই অহুম্মক্কী অবা কৎপা লোইনগা খকম্লনা মতুংদা পাবিক্রমা চৎকনি। পাব ক্রমা চৎপগী ঈশৈদি লালসা, যুগল, মনাশিক্ষা, যুগল প্রার্থনা শক্কগা মথংদা গৌবাঙ্গ প্রার্থনা শক্কুনা লোইশিনগানি হায়না মুবানন্দ শর্ম্মন মাগী 'লাই হবাওবা' গী লাইবিক্তা ইবম্মী।

১। মথক্কী লাইবিক, লা। ১৮ (মৈতৈ হৃপাই)

২। মবক্কী লাইবিক, লা। ১৮ ১০ (মৈতৈ জগোই)

ভোজন থৌগল ঃ ভোজন হাযবদি লাইগী লুক হাবা, চাব থকপগী থৌরমবুনি। ভোজন হাযবা ব্রাহৈশিমক্তি মণিপুরী লোন নত্তে, বঙ্গালীনি। শৃঙ্গাব লোইখ্রবা তুং ঙাইহাক কান্নবগা অযুক্কী পুং ৯ তাবা মতমদা ভোগ কৎলি। লুক কৎলিবৈ মতমদা মন্দিব প্রাঙ্গলগা মখা থংগা মযা অমদা অব্রাং ওন্না গীতা থীবা ব্রাহ্মণ অনিনা গীতা পাঠ তৌগনি। অদুগা গীতা পাঠ তৌবিবা অদুগী মনাক্তা মন্দিব মখাদা পালা লোযশঙগী অকাবা পালা ওঝা অমা ফমগনি। মহাক্কা পুং যাওদনা ঝাল পাযদুনা মায অব্রাং ওন্না খুকউ নামা লৈতাদুন ফল্লগা ভোগ থৌগল তৌই। মসিদদি পালা মশিং শুনা লেপ্তুনা থৌগল তৌদে। কবিগুম্না নোং তাববদি বৈধপতা কাখৎতনা অদুমক থৌগল তৌবা যাই।

ঈশৈদি—

জয় জয শ্রীবাধা গোবিন্দ।
মবীন মোহল রূপ কামবতি পনভুপ।।
কেলি কলা বসময কন্দ। ধ্রু
সখিগন কাঞ্চন বেদিকা আছে ফবে।।

অসুন্না পালা লোযশঙনা শ্রীশ্রীগোবিন্দগী থৌগল কাযদনা ইসিথাওবা চৎথনাক্কি। অদবু অষ্টকালগী মনুংদা নুমিৎ যুংবা মতম (শযন, উৎথান আর্বাত), নংথল (গোষ্ঠদা লেঙবা), নুমিদাংব্রাযবম (গোযাল আবতি), যাচঙবা মতম (লুক কৎপা, সনধ্যা আর্বাত), নুমিদাং (শযন আর্বাত) মতমশিং অসিদদি ঈশৈ থৌগল তৌদে। পুংদনা থৌগল তৌবসু যাওই। অসিদসু নওনা চত্থি অনগী মনুংদা পাংথোকপা লাইগী থৌরমশিংদসু পালা লোযশঙনা থাদোক্রবা যাদনা চাউবনা থৌদাং যাবক্কি। মথং মথং লাকপা লোযশঙশিংগী মখৌ অসিন কোনা গী পক্সিদা অচৌবা মফম অম কল্লকখি।

হাউমচা লোয়শঙ

কোনুংগা মবী লৈনবা লোযশঙশি না কোনুংগা তাপ তেক্লা মশাব অমা গোকখি। কোনুংগী পুক্সিদা লোযশঙশিংগী মফম চাওনা লৈ। লোযশ শিংগী মনুংদা হাউমচা লাইশ অমনি। কোনুংদ হাউমচা লোযশঙ অসি কাইথৌ ইবেংবনা পানবা মতমদগী লেবকখি। হা ম লোযশঙ তাযবাস নিংথৌগা হকথেংননা অযুক নুমিদাং সেবা তৌবব মী থাশিংনা লো লোযশঙবু থঙনৈ। শেনাক থনবগা হাউমচাগা খৈন্নে। হাউ মচাগাদ নিংথৌ গী সেল্লা তৌনপ

১। মথক্কী লাইবিক, পাঃ ১৯ (মৈতৈ জগোই)

ইকবা শান্দোংবা পুম্বা মখোযনা সেবা তৌই, অতৈ মীনা তৌবা যাদে। কোনুংদা হাউমচা লোইশংগী শিনথাগী মতাংদা 'শঙ্ক পান্নবগী মশিন' দা অসুম্না ইবি-

> *অযুক ভনবা মী ৪ না ঈকদুনা শঙ্গায পৈথোপ্রা থোক্লুনা ওইববসুং থৌগল ভাইগনি। সনা খোংলেংথোক্লকপদা ইবেম্মশিংনা খনবা শেনাক অদুবু শঙ্গাযগী খোঙদগী শিন্নদুনা খানগান। চাইথশেন্নচিংবা থৌগল পোৎ পুম্নমা ইবেম্মাশিংনা খনবা থৌগল পোৎ অদু ওক্লনি। সনা শঙ্গায মনুংদা থৌগল কানি। ইবেম্মশিংনা সনা থৌগল তৌবিডৈদা শঙ্গাইগী খোঙজন্দা ভাইগনি। ইবেম্মাশিংনা খোকাখববদ হাউমচানা শঙ্গায মনুংদা খনগনি। মনুং অচৌবা চঙফমদা হাউমচ মী অমনা ভাইদুনা ঈশিং আগংবা ঈশিং অশাবা যিকমগনি। কম্নি মৈতৌদুনা সনা থৌগল তৌগান। ইবেম্মাশিংদগী চেং হী চম্প্রা থান্দুনা থমগান। নিংথৌনা চেঙহী লবদা কেনবা শম অদুবু লৈপাক্লা যামদুনা মীনা খঙদবা মফমদা থুনগনি। চাইখখাঙনা খাঙচেং শুমদোক্লুনা হিকশঙদা শিন্নবমগনি। মতম চাদনা অহিংদা মনুং চংগে হাযববাদি হাউমচানা হান্না মনুং চংফম যেংগনি মপাল যেংলম ওইবম যেঙ্গনি, কবিগুম্না ইবেম্মাশংগী মনুং লেংবা থোক্লবদি হাউমচানা খুৎশু খুৎলাই পম্নমা হাউমচানা খনগনি। মনুংগী থাং তা, পুম্নমা শঙ্গাযদগী হাউমচানা পুথোক্লুনা থাংজ চযোন খুদিংদা লাকখোংদা অপানবা ফেঙবনা শেঙ্গনি। লোইবগা হাউমচানা মনুংদা পুনাশনগনি। হাউমচানা খনবদি সনা ক্লাগোক, সনা খুদেং ২মদি খনফদে নিংথৌনা চেপ্লবদা অঙপ্পা অথৌবনা হংলবদা হাউমচা অদুনা মফম অদুদা চেপ্লি হাযনা তাকফদে। মফম খঙহনবা হৌনদে। নিংথৌনা মপাল থোক্লা সনা খোঙলেংলবদা ফৈদা হাউমচানা মনুংদগী হৌনা খল্লক্লুনা লাংখোঙ যৌববদা থৌকল পোৎ পুম্নমা মাগা মাগী মশিন্না শিন্দুনা খন্নগনি।*[1]

১। নিংথৌখোংজমম খেলচন্দ্র সিংহ, "শঙ্ক পান্নবগী মশিন", (খুৎই ওইনা লৈবা)

লাইবিৰ্কসিদা পীবিবা মশিনশিং অসি যেংলুবগা নিংথৌগী অফ ফত্ত অশোয় অঙামগী চাউববা দাযী শঙ অসিগী মখুত্তা লৈ হাযনা লৌবা যাই। লোযশঙসিদা লৈবিবা মীওইশিং অসি মবুকচেল চুম্বা মীওই ওইগদবান। অদুগা লোযননা শাগৈ জাৎ ফবা ইমুংগী মীওইনা লোযশঙ অসিদা লৈ। লোযশঙসিদা লৈবা মীওই নত্তনা অতৈনা নিংথৌগী মনাক নক্লা সেবা তৌবা যাদে। চাউবক্লবা মপুং মবৈ ফাববা মীওইশিংনা লোযশঙ অসিদা লৈতে। হাউমচা শঙ্গাই শঙবদি মীওই সুবৰ্বদি চংফদে। চহি ১২ শুববদি লৈফদে। হাউমচা লোযশঙদা লৈগদবা মী ওইশিংদি অঙাংগী মতম চিংলিঙৈগী মীওইশিংনা ওই। নিংথৌগী মনাক নক্লা চংহন্দে। মবম অদুনা হাউমচা লোযশঙ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমৰ্দাদ যাম্না মকওইবা লোযশঙ অমনি।

অসুম্না কোনুং অমসুং মসিগা মবী লৈনবা লোযশঙশিংগা যজবা মবী অমা তৎন থান যাদনা লাক্খি। মসিমক্লসু নিংথৌকোনগী তোপ তোপ্পা মশক অমা তোঙান্না চোংথোক্লা উহনবা ঙম্লনি। নিংথৌকোনগী ওইবা পুন্সি অমা হিংহনবসু ঙম্বনি।

কোনুংদা পাঙথোকপা হরাউ কুম্মৈ খরা

লৈবাক অমগী কোনুং অমা হায়র্বসি মহৌশানা মখল কয়াগী হবাউ কুম্মৈ পাঙথোক্রে। মশীং থিঙমদ্রবা হবাউ কুম্মৈ কয়না পীক থল্লবা লৈবাকসু লৈবি। পাঙথোক্তবা যাদবা কুম্মৈ খবদমক পাঙথোক্লগা তোকপসু যাওনৈ। পুম্নমক লম লমদুগী ইতিহাসতা যাওবা ৱাবী ঙাক্তনি। মীওইবগী পুন্সিদা হবাউ কুম্মৈ হায়র্বসি য়াওদবা যাদে। অমুক্কা হেন্না কোনুংগী পুন্সিদা মক ওই। তোপ তোপ্পা কোনুংগী পুন্সিদা হবাউ কুম্মৈনা মথ্বাই হাপ্লি।

মণিপুবদসু কোনুংগী পুন্সিদা মখল কযাগী হবাও কুম্মৈ পাঙথোকই। মশীং যাম্না পাঙথোকপদসু মণিপুবগী কোনু পনবা যাই। কোনুংদা পাঙথোক্লিবা হবাউ কুম্মৈ অযাম্বাদ মণিপুবদা বৈষ্ণব ধর্ম্মনা মবা তানা লৈথ্রবা মতমদা ধর্ম্মগা মবী লৈননা পাঙথোকপা ঙাক্তনি। পনবা যাবা হবাউ কুম্মৈ খবদি– জগোযবাস, গোষ্ঠ, উদুখোল, খুবাক ঈশৈ, জলকেলি, ঝুলোন অসিনচিংবনি। হবাও কুম্মৈশিং অসি হৌজিক ফাওবদা কোনুংদা চহি খুদিংগী পাঙথোক্তবা যাদে। তঙাইফদনা চহী খুদিংগী হবাউ কুম্মৌশিং অসি লেপ্তনা পাঙথোক্লি।

জগোই রাস

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা (খৃঃ ১৭৫৯-১৭৬৩, মবক্তা ১৭৬২ ১৭৬৩ চহি অমদি ময়াম্বনা পানখি) হৌজিক লৈরিবা শ্রীগোবিন্দ অসি নির্পণ তৌখি। রাজর্ষি অসিনা লাংথবান্দা কোনুং শেমখি। অদুগা "১১ নি ইরাইদা কাঞ্চিপুরগী রাস মণ্ডলদা শ্রীগোবিন্দ অভিসেক তৌএ। নুমিৎ ৫ নি রাস শান্নেএ।"[১] হায়না "চৈথারোল কুম্বাবা" দা ইবি। মসিগী মমাঙদা রাস শান্নবগী রাফম পনবা থেংনদে। মহারাজ অসিগী হাক্তক্তা জগোই রাস হৌদোকখি হায়রসি হৌব্রবা অমসুং হৌজিক্কী অখণ্ড-অহে কয়ানা যানববা রাফমনি। নিংথৌ অসিগী হাকতক্তা মণিপুরদা সংস্কৃত অমসুং ধর্ম্মগী অকনবা যাওন অমা লাকখি।

জগোই রাস অসি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা মহাক্কী মমঙদা উখিবা গোবিন্দগী ফিজোল অমদি মওঙ মতৌ লৌবগা শেমগৎখিবনি হায়রগী রারী লাল্লবসু চুল্লবসু ঙসি ফাওবদি মৈতৈ জাতিশিংগী চিন্দা শোন্নবি। অদুবু হৌজিক্কী অখণ্ড-অহে কয়াগী মোৎ মতুং ইন্না জগোই রাস অসি মণিপুরগী মশানা হান্না লৈজববা লাই হবাওবগী জগোইদগী লৌবগা শেমদোবকপনি হায়রসিনি। মতাংসিদা রাজকুমার স্নাহল সিংহনা ইবা "রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা ওইবম্বা মণিপুরী সংস্কৃতিগী ফিভম' হায়রসিদা মখাগী অসুম্না ইবি—

জগোই রাস অসিমক্তদা থাযনগী ইপা ইপুশিংগী কৃষ্টি,
মৈতৈ লাই হবাওবগী ভাব ভঙ্গি কযা লৌথোক্নুনা
বৈষ্ণবশিংদা ভাব রাজাগী শক্তম অমা শেমখিবদা
ইপানাৎ ইপুনাৎকী কৃষ্টিগী কলা অদু যাওখিদে
হাযবসি অখণ্ড অহৈ কনানসু পাম্লোম তিংবা ঙম্লোই।
তশেংনা পল্লবদা ইপানাৎ ইপুনাৎকী কলাদা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী
ভাব ভঙ্গি হাপচিন্দুনা শের্মখিবা রাস অসিমক্লা ঙসিমক
মণিপুববু ঙসি জগৎ অসিনা শকখঙবা হাযবদু
ওইখ্রিবনি।[২]

জগোই রাস মখল অহুমথোক্লা লৈ— ১) কুঞ্জরাস রাস অসি মেরাগী পূর্ণিমাদা শুমাং খুদিং মেরা থাংমৈনা ঙালহলবা মেরা রাখিনবা নুমিত্তা শান্নে।

২। মহারাস - রাস অসি মেরা রাফুকপা নুমিৎ হিযাঙ্গৈগী পূর্ণিমা নুমিত্তা শান্নে।

১। এল ইবুংঙোহল অমসুং এন খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পা) "চৈথারোল কুম্বাবা", মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৬৭ লাঃ ১২৪

২। "সাহিত্য", ২২ শুবা মশিং "মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ফোঙবা, রাঃ কুঃ স্নাহন সিংহ "রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা ওইবম্বা মণিপুরী সংস্কৃতিগী ফিবম", আগষ্ট, ১৯৭৪, লাঃ ৫৬

৩। বসন্ত রাস শজিবুগী পূর্ণিমা নুমিত্তা রাস অসি শান্নে।

মথক্তা পীবিবা রাস মখল অহুম অসিমক ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগী লৈবক্লবনি। অদুবু জগোই রাসশিং অসি শ্রীশ্রীগোবিন্দগী রাস অমসুং শ্রীবিজয় গোবিন্দগী রাস হায়না অনি থোক্লা অমুক শান্নে। মবমদি শ্রীগোবিন্দদা শান্নবা রাসশিংদদি রাধা কৃষ্ণ শাবা যাওদে। মদুগী মহুত্তা মন্দিব মনুংদা লাৎতুনা লৈবিবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী মূর্ত্তি ওইনা লেঙথোকই। শ্রীবিজয় গোবিন্দগী রাসতনা রাধা কৃষ্ণ শাবা যাওই। পীক্লিবা চহি তবাগী মখাগী অঙাংনা রাধা কৃষ্ণ শানৈ। শ্রীবিজয় গোবিন্দদা শান্নবিবা রাসশিং অসিগা মান্ননা খুল্লক্কী মাঙুবশিংদসু শান্নে। অযেংবা ভাবোকশিংনা রাধা কৃষ্ণগী মূর্ত্তি লৌবগা থোবকপদু উবদা ভক্তিগী প্রেম পোক্তুনা মিৎলুদা পাবাং শিন্থনৈ।

জগোই রাসকী ফিজেৎ লৈজৈ। কৃষ্ণনা সনা ফিগে থোনগনি। কোক্তা চুডা খুত্তা বাঁশী থোনগনি। খোংদা খোংজি খুত্তা খুজি অমসুং তাল শিগনি খ্বাংদা 'ধডা' পুল্লগা ফৈগল মক অনিমক্তা তাহনগনি। ঙকশমদ' লিক্লাং পবেং শিগনি। রাধিকানা পোলোই অঙাংবা শেৎলি। কোক্তা কোক্‌ন্বী হাপ্তুনা পাববা ইনফিনা মায কুপকনি। বেশম ফুবিৎ অশংবা লিৎনৈ। অদুগা ফি অভৌবা অমনা চেৎনা থবাক মপাদা ফাগনি। ঙকশমদা লীক্লাং শিগনি। খুজি খোংজি শিগনি।

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা শেমগৎপিবস্না জগোই রাস ২০শুবা শতাব্দীনা লোইশিনলকলবা মতমসিদা মণিপুবগী ধর্ম্ম অমসুং সংস্কৃতিগী মশক তাকপা চাউববা শকক অমা ওইবি। হৌজিক ফাওবদা কোনুংদা জগোই রাসশিং অসি মতম কাযদনা কৎলি। যেংঙুবা কযাগী থম্মোযদা ভক্তিগী ঈফুৎ, তৌহনবা ঙম্না জগোই রাসকী অকুপ্পা মবম কযাদি মতাংসিদা পঞ্জদ্রে।

গোষ্ঠ লীলা

গোষ্ঠ লীলা হাযবদি কৃষ্ণনা মীওইবগী অঙাংগী মতৌ লৌদুনা সখাশিংগা লোয়ননা ষণ শেনবগী মওঙ উৎপা লীলাবু খঙনৈ। গোষ্ঠ লীলা অসি হিয়াঙ্গৈগী নিপালনি পানবা নুমিত্তা শ্রীগোবিন্দগী মাঙুবতা শান্নে। গোষ্ঠ লীলাদা লৌখৎলিবা মতাঙদি নন্দগী শঙ্খাইদা নাবদ লাক্তুনা কৃষ্ণ বলদেববু শঙ্গেম শুন্না তস্পিবা দবানল ভক্ষণ তৌদুনা রাখালশিংবু কনবীবা যজ্ঞ পত্নীশিংদগী চাক নিদুনা মপুক লাপ্লবা সখাশিংবু পীজখিবা আকর্ষনী বীজদা বাঁশী খোংদুনা ষণ থোমজিনবা ধেনুকাসুব অমদি বকাসুব হাৎপা অসিনচিংবা বস মপুং ফানবা শুপচিল্লম্বনি।

গোষ্ঠ লীলাগী জগোই অসি মমাংঙৈদদি লমহাঙদা শান্নবম্মী, কোনুংগী মাঙুব মনুংদা শান্নবমদে। মাঙুব মনুংদদি অখন্নবা লাই শাবা খবতগী ওইবম্মী। হৌজিক্তি লমহাঙদা শান্নবা কয়া উদ্রে, মাঙুব মনুংদা ঙাক্তা শান্নখবে।

গোষ্ঠ লীলাদা ঙাংলিবা, অমগা অমগা ব্রাবী শান্নবদা শীজিন্নবিবা লোনশিং অসিদা মণিপুরী

লোন ইযাও য়াওদে। মক ওইনা সংস্কৃত ব্রজভাষা, হিন্দী অমদি বাঙ্গলা পদাবলীগী লোনতমক ঙাংই। ঈশৈসু বাঙ্গলানা নমনা শকই। মবক মবক্তা সংস্কৃতসু য়াল্লি।

গোষ্ঠ লীলা অসি কোনুংদা কৎত্রিঙৈগী মমাঙদা খুল্লক্তা শান্নবা যাদে। শান্নবা তাববদি কোনুংদা শ্রীগোবিন্দগীদা কৎপা লোইববা মতুংদা নোংমা নিনি চোনথবগা কৎলি। অদুমকপু নিংথৌগী লাই ওইনা লৈবিবা বিজয় গোবিন্দগীদি গোবিন্দগা মান্ননা অদুম্মক কৎলি।

মমাঙৈদা গোষ্ঠ লীলাদা মমা শাবী নৎতনা অতৈ নুপীশিং যাওহনলমদে। নিপামচা ঙাক্তনা শান্নবম্মী। ব্রাহ্মণ মচা নত্তনা লীলাসিদা মধুমঙ্গল শাবা যাহল্লমদে। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না মীবোল কয়া লাল্লক্তুনা লীলা অসিদা নুপীমচাশিংনা নম্মা শান্নবা উবে হাযবা য়াই। মসিগী মতাংদা "মৈতৈ জগোই" (তবেৎশুবা শকক) তা মখাগী অসুম্না হীব -

নিপামচা মখৈনা মহে তম্বদা মক ওইশল্লকপা অমদি
জগোই ঈশৈদা কযাসু থৌশানবক্তবা মওঙ লাকপদগী
স্যার চূড়াচান্দ মহারাজগী মতমদগী হৌনা লীলা
অসিদা নুপীমচাশিংনা শকক লৌবা খব হল হৌবকখি।
অদম ওইনমক শ্রীযুৎকী মজাইবেম্মাশিং অমদি অঙম
অথৌনচিংবগী মচা মশু নত্তনা অতৈ নুপীশিংদি
থোইনা যাওহল্লমদে।"

নিংথৌ পাল্লৈ মতমদগী নিংথৌগী মচা মশুাশিংদি মাচম প্রজাদগী থাক ব্রাংনা থম্লম্মী। লৈবাক্তা নৎ ব্রগী কোনুংগা তবাও কুম্মৈগী থৌদোক থোকপা মতমদা মখোয়না মকোক থংগা হাযবসি হৌনশা ওইবকই। অদুমকপু নিংথৌ শান্দ্রবা মত সিদদি মাচম প্রজাগ। মচা নিংথৌ নসু কোনুংদা শ্রীগোবিন্দগী থৌগল তৌনবে।

গোষ্ঠ লীলা হাযবসি ওশেংনমক লীলানি। মবম অদুনা যন্ত্র খোংবা, পুং যৈবা মমা শাবা অনি, শ্রীদাম সুবল অমদি সখাশিং, কৃষ্ণ, বলরাম, নন্দ, উপনন্দ, সুনন্দ, দ্বারপাল, হিংচাবা অনি, ব্রাহ্মণ-পুরোহিত হাযবিবাশিং অসি শাবা মীওইশিং যাওগনি। কৃষ্ণ বলরাম, শ্রীদাম সুবল অমদি সখাশিংদি পাক্লিবা অঙাংশিংনা শাই। মবম অদুনা শ্রীদাম সুবল অসি অ ং অনি অনিনা শাহল্লম্মী। মবমদি মখোয অমত্তগা খেঙ্গেলনা চনোকপু তানবা লাওনা লমচৈ

লীলাদা যাওবিবশিং অসিগীসু তোঙান তোঙানবা ফিজেৎ লৈ। যন্ত্র খোংবা অমসু পুং যৈবাশিংনা ফুরিৎ খুদাং লাওবী অপাবা অশ্রৌবা লাংকনি। শলাই নপুম্না বোযেং লৈৎকানি।

১। পবচান্দ শর্মা, "মৈতৈ জগোই" (তবেৎশুবা শকক) ১৯৭০

ইনর্ফিদ লাঙবানা নমগন্দা ইল্লগা য়েৎ ওইগী মাংদা ফিজিন তাহল্লক্কনি। মমা শাবী অনি শুই, অমনা কৃষ্ণগী মমা যশোদা অমসুং রোহিনী, বলরামগী মমানি। মখোযগী ফিজেত্তি–

বাসকী নুপী পোৎলোইগী কুমিন শেৎকনি। বেশম অশংবগী
ফুরিৎ শাইগকপা (পাম্বোম তংখায) লীৎকনি। থবাক
খাযগনি। বেশম ফুরিৎ চমকি থিনগনি, মিংশেল মখুম
কোন্ননা পাম্বোমদা খ্বাংদা থাদিন খাযববদা ফিজিন
চনগনি। কোক্তা গোপী ফিজেৎকী কোক্তুম্বী হাপকনি,
কুশুল নাইন যানগনি। খামেন চৎপা ফৈজোমনা শাডী শেৎপা
মালহন্না লৈখৎলক্লুনা মায উহন্দনা চোন্না খুমগনি।
খুজেংদা সনা খুজি পোপচাউবী পাম্বোমদা অনন্ত
(পাম্বোম ফাবী) শিগনি।
সনাগী লীক পবেং মথাঙ নাইনা শিগনি।
খোংদা থাবৎ (অলক্ত) থাগনি। [১]

কৃষ্ণ বলরাম অর্মাদি সখাশিংগী ফিজেৎ চপ মান্নে হাযবা যাই। মুকুট, চুডা, কজেং লৈনা কোক্তা লৈতেংগনি। শমজিবৈ হাপ্পুনা যানথহনগনি। মপাল অশংবনা চনবা মুগা ফৈজোম নাপু শেৎকনি, গুঞ্জা থাদগনি। ফৈজোমগী মতাংদা বলরাম অমসুং মধুমঙ্গলগীগা অতৈ গোপাশিংগা খৈন্নে। বলরামগীদি অশংবা মচুগী মুগা ফৈজোম শেৎকনি। অদুগা মধুমঙ্গলগীনা মৈবী মচু অঙাংবগী মপাল অশংবনা চনবা মুগা ফৈজোম শেৎলি। কৃষ্ণগীদি অতৈ গোপাশিংগীগা চপ মান্নে। খ্বাংদা 'ধডা' পুনগনি। খুজেংদা খুজি, বখা অর্মাদি পাম্বোমদা তাল শিগনি। নাদা কুশুল নাইন যানগনি। ফৈজোমগী মথক্তা খ্বাংলাক যাওগনি। ঙক্তা লৈ পবেং শিগনি। গোপা পুন্নমক চৈশু অমগা বাঁশীগা পাযগনি। বলদেবনা লাঙ্গল পাযগনি। কৃষ্ণগীদি বাঁশীদা শিঙ্গা অমসু নপশিনগনি।

নন্দ, উপনন্দ, সুনন্দ মখোযগী ফিজেৎসু তোঙান্না লৈবম্মী। মখোযনা চামাব শেৎলম্মী। অদুবু নিংথৌগী মনা মথুম ফংবা মীনা মখোযগী মমায় পাকনিংবনা খামেন চৎপা শেৎপসু যাওই।[২] অদুগা নন্দ শাবা মীনা নিংথৌগী মনা মথুম ফংবা মী ওইববদি খুজেংদা সনাগী খুজি পোপচাউবী, পাম্বোমদা তাল শিনৈ। লন্নাই সিবদি যাদে।[৩] উপনন্দ সুনন্দদি শিবোই। নন্দগী

১। মথক্কী লাইবিক, লাঃ ৩ (মৈতৈ জগোই)
২। মথক্কী লাইবিক, লাঃ ৪ (মৈতৈ জগোই)
৩। মথক্কী লাইবিক, লাঃ ৫ (মৈতৈ জগোই)

কোয়েৎতি 'কশেৎ' মওঙগা কোযেৎ যেৎকনি। উপনন্দ, সুনন্দগীদি আজমেবী যেৎলি, অদগা লুতুংদা ফিজিন থাদগনি। নন্দগী ফুবিৎতি চৈতন্য সম্প্রদাযগী ঈশৈ হনবগীগা মান্নবা মওংদা লিৎকনি। নন্দগী খ্বাঙদা মুগা ফি নাপু মচু অমা কির্শিন্দুনা লাকশিনগনি। কনাগুম্বনা অঙাংবনা লাক্লবসু যাওই, য়েৎতা ফিজিন তাহনগনি। উপনন্দ সুনন্দগীদি যাওবোই।

দ্বাপাল ফিজেৎতি হকচাং নপ্পী খোঙগ্রাউ অচোনবী উপকনি। ব্রজবাসীশিংনা লিৎপা হকচাং নপ্পা কিশি কিবী ফুবিৎ লীৎকনি। কোযেৎ মচা যেৎকনি। খুত্তা দণ্ড পাযগনি। খ্বাঙগী নাকন্দা থাং অমা য়ানগনি। ব্রাহ্মণ পুরোহিতশিংসু ফৈজোম গুঞ্জা তুংদা যেপখৎতুনা শেৎকনি। অঙৌবা মচু ওইগনি। ঙক্তা নামাবলী অমা যানগনি। লাইবিক অমা পাযগনি।

ভাবোক ফমফমগী মতাংদা সুবচান্দ শর্ম্মনা মাগী লাইবিক "মৈতৈ জগোই" (তবেৎশুবা শরুক) সিদা ইবি –

বাস পূম্নমক্তা অমসুং গোষ্ঠ লীলাদা মহাবাজগী খুদাদি মখা থংবদা অৱাং ওন্না থাগনি। মাঙুব মপুনা অবাং ওনগনি। মহাবাণীনা পুংযৈবা ওঝাসিংগী তুংদা ফমগনি। খুল্লক্তদি নিংথৌগা মাযোক্লদুনা মাঙুব মযোনগী অৱাংদা মায মখা ওন্না ফমগনি। [1]

গোষ্ঠ লীলা অসি নিংথৌ পাল্লবঙৈ মতমদগী হৌজিক ফাওবা কোন্নংদা শান্নবি। মসিগী হৌবকপগী মতাংদি মসিদা পঞ্জদ্রে। অদুমকপু মসিনা মণিপুরী কলা সংস্কৃতিগী মশক ঃকপদা চাউববা শরুক যাবি।

খুবাক ঈশৈ

খুবাক ঈশৈ অসি মণ্ডিলা যাওদনা খুবাক খানিনা হবগা মোৎ তৌদুনা শকপান। খুবাক ঈশৈ অসি ইঙেনগী নিনি পানবদা কাং চিংলগা কাং মনুংদা জয়দেব গোস্বামীগী ধ্যা ঙদা শকনৈ। খুবাক ঈশৈ হৌবকপগী মতাংদা এলাংবম নীলকান্তনা মোৎ অমা পীনি

মহাবাজ চন্দ্রকীর্তিগী মতমদগী ওইবমগদ্রা হায়না থাজনৈ। হেন্না ঙনখৎলম্বসু যাই। খুবাক্না তাল

---

[1] *মথক্কী লাইবক, লাঃ ৬ (মৈতৈ জগোই)*

থাই হায়বাদ মশিবু তালবাস হায়নসু খণ্ডনবা
যাওই। ইহান হান্না হৌবকপগী মশক চপ চানা
লেপ্পা ওন্নবগী শক্তি লৈত্রে ঐখোয়না বাসলীলাগী ইহান
হানবা মশক লেপ্পদা বাবদৌনা।

মতাংসিদা পনবা যাবা অমদি "চৈথাবোল কুম্বাবা" দা খৃঃ ১৯৩২ দা গম্ভীরসিংহ মহারাজনা পনবা মতমদা 'ইঙা থাদি ইবাইনা হনএ। অদু নুমিত্তা জগন্নাথ জীবন্যাস তৌএ। ২ নি থাংজদা চিংবা হৌএ।'[২] হায়না ইবি। অদু ইকুই কুইদনা গম্ভীরসিংহ মহারাজদি কাং চিংলবা মতুং চহি অনি লৈবম্লগা নোঙ্গাখরে। কাং হেক চিংবগা খুবাক ঈশৈ হৌবমগনি হায়রসিসু চংনিংঙাই ওই। গম্ভীরসিংহগী মতুংদদি নরসিং অনা অমুক পাক্লে। অদুবু মহাক্কী মতমদসু থেংনদে। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগা মতমদদি লৈবাক মাসদা ধর্ম্মগা মরী লৈননা সংস্কৃতি যাম্না যাওখৎলম্মী। মবম অদুনা নীলকান্তগী ব্রাফম অসি চুম্না যাউ।

খুবাক ঈশৈদা শকইবা ঈশৈশিং অসিদি বৈষ্ণব ধর্ম্মদা যুম্ফম ওইবগা শকপা ঙাক্লেনি। মাসদা মরু ওইনা শকইবদি অক্রুরনা শ্রীকৃষ্ণবু মথুরাদা পুনবগী নন্দনা শঙ্গাইদা লাক্লুনা নন্দদা হায়জবা, শ্রীকৃষ্ণনা চৎলগে হায়দনা মপাবুং অমদি মম যশোদাদগী যাথং নিবা, অক্রুরনা শ্রীকৃষ্ণ পুররদা ব্রজগোপীশিং, অমদি শ্রীমতী রাধিকানা থাডওমদনা লৈমায়থক্কা কাপ্পুখবগী মতাংশিংনি। মতাংশিং অসিদা ঈশৈ শকইবশিং অসিনা মোং অমদি মাং নায় তৌদুনা অয়েংবা ভাবোকশিংবু শুমহৎলি। কলাগী মন্দণ চপ চানা চেনবী নপীশিংনা শ্রীমতি রাধিকানা কৃষ্ণ পুরিবা দোলাইগী কাংখোং ফাবগা লেমায়থক্কা বানথবগী অভিনয় উৎপ উনগা ভাবোকশিংগী মীৎ ওগী পি যাওলা তাহনবা থম্মী। খুবাক ঈশৈ অসি নুপা অমসু নুপী মানমরু। শক্ল মখোয়গী যিদেং থাঙান থোংনরা লৈ। "কলাগী পোৎশক অমা ওইনা মণিপুরী খুবাক ঈশৈ" হায়বা বাবেসিদ খুবাক ঈশৈগা ফজেং শা মতমদা পাল্লি

নিপাগীনা ফৈজোম পুপ্পা তুংদা যেপথওনা শেৎলি, খাডবেৎ
খেৎলি, কোক্লো কোকযেৎ মচা হাপই। নপী পালাগীসু
ফনেক মপান নাইবা শেৎলগা ইনফি অপাবা ইল্লি। ফুরিৎ
লীংনবমদে, মাস লৈশাবীনা শমকোয়না ককলিচৈগী বানি।

১। এলাংবম নীলকান্ত সিংহ "কলাগী পোৎশক অমা ওইনা মণিপুরী খুবাক ঈশৈ" "সাহিত্য" ৬৪-৬৫ শুবা মশিং থাং ১১ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ডিসেম্বর ১৯৮০ লাং ৪৯।
২ এল ইবুংঙোহল অমসুং এন খেলচন্দ্র (সম্পা) 'চৈথারোল কুম্বাবা' ১৯৬৭ লাঃ ২৩৫

মৌনা হৌববসু মদু মণ্ডায নুপী মচাশিংগী বেশম ফুবিৎ
লীৎলি ফনেক খোযখা শেৎলি। [১]

খুবাক ঈশৈ অসি হৌজিক হৌজিকসু কোনুংদা কাং মনুংদা নুমিদাং খুদিংগী জয়দেব চোংদ্রিঙৈগী মমাংদা শকই। খুল্লক্তা লৈকাযদা লৈবা মাগুবশিংদসু নিপাগী নৎত্রগা নুপীগী ওইববসু জযদেব চোংদ্রিঙৈগী মমাঙদা ভাবোকশিংনা খুবাক ঈশৈ তানবগীদমক যাম্না কেনা লাক্লে। হৌজিক ফাওবদদি খুবাক ঈশৈনসু মণিপুবগী চাওববা সংস্কৃতিগী মচাক অমা ওইনা ত্থিংলি।

জলকেলী

জলকেলী কালেনগী পূর্ণিমা নুমিত্তা পাঙথোকই। নুমিৎসিদা বাধা গোবিন্দ অনি মাগুবতা লেঙথোক্কুনা ঈশিং পেবে কাপ্পুনা চক্রনা লৈবা মতুং ইন্না লৈবগা শান্নে।

নুমিৎসিদা কোনুংগী লৈম-শির্জাশিংনা থৌগন তৌই। মখোযনা বাধা গোবিন্দগী অকোযবদা ফল্লগা ঈশৈ থৌগন তৌই। অতোপ্পা মীচম প্রজা যাওহনবা যাবমদে। মতাংসিদা বাফম অমত্তং পনবা যাই। মদুদি—

স্যাব চুডাচান্দ মহাবাজ সনা হাকতক্তা নিঙোল মৌ তোপ্পা তোপ্পা পালা অনি থোক্লা খাইদোকখি মনাউ ইবেম্মা মহাবাণী শ্রীমতী ধনমঞ্জবীনা (ঙাংবী মহাবাণীনা) মৌগী ঈশৈ হনখি। নিঙোলগীনা শ্রীযুৎ মহাবাজগী মচেমসীজ ইবেম্মা খুবায লৈমা স্বর্গীয মুক্তাসনানা ঈশৈ হনখি হৌজিকসু নিংথেমচা ওংবী শির্জাশিং অমদি সনাগী মচা লৈমশিংতনা জলকেলীগী থৌগন তৌবি।

জলকেলীদা পালা অনি লৈ- অমনা কার্ত্তা শাগৈগী 'বাশেশ্বৰী পালা' হায়না খঙনৈ। অতোপ্পা অমনা নবসিংহ শাগৈগী 'জলকেলী' পালানি। জলকেলী নুমিত্তা যাওবিবী মশক ফজবী নিংথৌগী মচানুপীশিংনা মানা মানা ঙমজবা মওংদা কেবা তান্নে। থম্বাল মচুগী মযেক গাইবা শেৎলি, ফুবিৎ লীৎতে। মওং তানা পুল্লবা শম্বুলদা শর্মাজবেনা লৈতেংই। শর্মাজি শাংনা থাদৈ। থবাক্তা শিবা সনাগী লিকফাংশিংগী থক্তোবকপা মঙালনা পাববা ইনফিদু ফাওবা উই।

হৌজিক ফাওবা কালেনগী পূর্ণিমা নুমিত্তা কোনুংদা পাঙথোকই।

১। মথক্কী লাইবিক, লাঃ ৪৫ (মৈতৈ জগোই)
২। সুবচান্দ শর্ম্মা, "মৈতৈ জগোই" (অহুমশুবা শকক) ১৯৩৯ লা ঃ ৩৭

মণিপুরীশিংগী পুন্সিগা কোনুং অমসুং মসিদগী থোক্লকপা শন্দোবক্লিবা তোঙান তোঙানবা সংস্থান কয়াদগী থোবকপা হবাও কুম্মৈ অমদি চৎনবী কযাগা চেৎলবা মবী অমা লৈ হাযবসি শোযদ্রবনি। ফজবা, অবেম্না অমাদ মক ওইবা অযাম্বা কোনুংগী পুন্সিদগী হৌবকপা ওইনা তৌই। সংস্কৃতি অমসুং কলাগী মচল কযাসু মসিদগী হৌবক্লুনা মমৈথংদা মীযামগী ওইখিদুনা শন্দোকখিবা ঙাক্তনি।

মণিপুবগী ইনাক খুল্লবা সংস্কৃতি অমসুং কলাগী মবমদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মীওইশিংনা কন্না থগৎনবক্লি। নিংথৌকোন্দা শাগৎখিবা যামগ্রবা হবাও কুম্মৈ খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা হ্রাংভুলোন লৈজে। যুম্ফম অমমমদা মযোল চোংলকখিবা হবাউ কুম্মৈ খুদিংমক মালেমগী মফম কযাদা লেপ্তুনা শন্দোর্বক্লি। তোপ তোপ্পা সংস্কৃতি অমসুং কলাগী পুক্কৈ ওইনা মণিপুববু শকখঙনবসু যাওবি। নিংথৌকোন্দগী হৌবকখিবা মমল য়াম্লবা হবাউ কুম্মৈ কয়ানা ঙসিদি মণিপুববু মালেমদা মশক তাকপা ঙম্লে।

মতেং লৌখিবা

মণিপুরী লাইরিক

১। ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ (সম্পা), "নিংথৌবোল লম্বুবা", ইম্ফাল, ১৯৬৭
২। ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ (সম্পা) "লোযন শিল্লোন", ইম্ফাল, ১৯৭৬
৩। খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ (সম্পা), "লোযযুম্বা শিনযেন, ইম্ফাল, ১৯৭৫
৪। ঙাবিযাম্বম কুলচন্দ্র সিংহ, "কংলৈ নিংথৌ চহি" ১৯৬৯
৫। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পা), "থাযনগী শৈবেং.", ইম্ফাল, ১৯৫৬
৬। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পা), "নাউথিংখোং যম্বাল কাবা", ইম্ফাল, ১৯৬৭
৭। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পা), "ফমলোন", মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, ১৯৮৭
৮। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পা), "মশিন" (খুৎই ওইনা লৈবিবা)
৯। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পা), "শঙ পান্নবগী মশিন লাইবিক" (খুৎই ওইনা লৈবিবা)
১০। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পা), "শঙ্গাই ফন্ময়াং" (খুৎই ওইনা লৈবিবা)
১১। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, লাইবেনমযুম ইবুংঙোহল সিংহ (সম্পা) "চৈথাবোল কুম্বাবা", মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, ১৯৬৭
১২। মাধব সিংহ, খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পা), "খুনুং লীচৎ শাজৎ", ইম্ফাল
১৩। সুবচান্দ শর্ম্মা "মৈতৈ জগোই" (অহুমশুবা শরুক), হিবনকুমার শর্ম্মা (ম্রফোঙবা), অহানবা খুৎনম, ১৯৬৯
১৪। সুবচান্দ শর্ম্মা "মৈতৈ জগোই" (তরেৎশুবা শরুক), ১৯৭০

ঈংরাজী লাইরিক

1 Rev W Pettigrew
Manipuri Mitei Grammar with Illustrative Sentences,
American Baptist Foreign Mission Society, 1912

চেফোঙ

১। দি কলচবেল ফোবম "ঋতু"

২। মনিপুবী সাহিত্য পবিষদ "সাহিত্য"

হকথেংননা উন্নকবা মীওইশিং

১। যৌন' চজম নিংভোল যুম্নাম ওংবী থম্বালমচা দেবী, অশুপ্পী (মাইবী লোযশঙ), স্না কোনুং

২। নামৈবাকপম ইবোচৌবা সিংহ, পণ্ডিত যাইমা (পণ্ডিত লোযশঙ) স্না কোনুং।

৩। মহাবাজকুমাবী বিনোদিনী দেবী, যাইস্কুল পুলিসলেন

৪। যেংখোম ভাগ্য সিংহ, চুবাচান্দ মহাবাজনা পানবা মতমগী ডাক্তর্বনি। এল এম পি হাযবগা খঙনৈ। যাইস্কুল পুলিস লেনদগীনি।

৫। লোংজম নিংথেমজাও সিংহ, লৈখাম শংলাকপা (পেনা লোয়শঙ), স্না কোনুং



Bimabati Thiyam Ongbi (b. 1960 at Imphal) M.A., M.Phil., a teacher by profession is now working as a Senior Lecturer in Manipuri at [illegible] Gulap [illegible] Science [illegible] [illegible] by her **Khongchat** (1997) [illegible] paper in the Manipuri Writers [illegible] and also participated in the All India Women Writers [illegible] Mumbai [illegible] by SPARROW [illegible] LEIKOI

Manipurgi Ningthoukon Amasung Chatna-Lonchat [illegible] second book is a rare piece of work rich in literary and cultural values. That the root of Manipuri Culture [illegible] in the customs and tradition of the royal household is proved by her painstaking research on old books of Manipuri literature published and unpublished [illegible] and personal [illegible] from the elderly courtiers of the palace.

The book will be of immense help [illegible] the traditional culture of the Manipuri [illegible]

SATHOULUP

Rs. 50/- Sathoulup Publications